


সনামহী লাইনিংগী

সজিফু চৈরাউবা

অইবা :—


এন্নজী, কাংজ্জীয়া

হেদ ওফ দিপার্তমেন্ত ওফ ফিলোসোফি,
ওরিয়েন্তেল কলেজ, ইম্ফাল ; চিফ দিরেক্তর, বোর্দ ওফ
দিরেক্তরস (কংলৈরোয় সংলুপ), কংলৈপাক থৌসিনকোন ; লাইনিং-
লোয়-পুরেন, লাইনিংলোয় সংলুপ, সনামহী লাইনিং অমসুং পুন্সিরোল থুকম
(সলাই পুন্সিফম), লমসাং ; সিন্তাক-পুরেন, নহারোল সিন্দমসং ;
মেম্বর, নীতৈ ময়েক এক্সপার্ত কমিতি, গোভর্নমেন্ত ওফ
মনিপুর; ইদিতর (খোরিলাংবা) কংলৈখোল ॥

— (০) —

অহাঙবা খুংনম :—১৯৮২ ইং
অরৈবা মথোক খিবিক অফোংবগীনি

মমল লুপা ৮·০০



সনামহী লাইনিংগী সজিকু চৈবাউবা

অফোঙবা :

কোন্সমচা হেম্বা,
যুম্লেম্বন নিংঙোল থোইবী লৈমা,
থোঙাম নিংঙোল ঙাম্বোইবী ॥

অহাম্বা থুংনম :

মলিয়াফম চহিরোল : ৩৩৭৮-৭৯
খ্রিস্ত চহিরোল : ১৯৮২

নম্ফম :
OSSO PRINTERS.
Khoyathong, Imphal 795001.

অকোঙবসিংগী ৱাহৌল

"চৈরাউবা" হায়বসি কংলৈপাক অসিদা লৈরিবা সনা মহীবু য়ুম য়ুমদা লাংনরিবা কংলৈচা পুম্নমক্কী ঈমুংদা চংহ খুদিংগী পাংথোক্লরিবা চাউববা থৌরম অমনি ।। চযেৎনবা কথা থোরকপদগী কংলৈচাসিংনা ইকাউ কাউনরক্লবা লাই তীনগী লুকথা-হৈথা, লাইসোল-তীনসোল, হৈকং-লৈকং, লাইনিংলম্বীগা চৈরাউবগা লৈনরিবা তংন-থানবা য়াত্রবা মরীসিং ১দি মীয়াম্না চমন্নরক্লবা মতম পাবগী কাংলোন্নচিংবা বয়া অসি পুথোকপিননবা মমাংগী চহিদা তৌখিবা চৈরাউবগী থৌরম অত্ত নংননবা কংলৈবোন্ন পুরেন উম্দা কাংজীয়াদা নহারোলসিংগী মহুং সিন্দুনা ঐথোযনা হায়জরকপনি ।। ঈনাৎকী থোঙজং লেপকম্মনবা হোৎনরু, অমসুং সনামহী লাইনিং, পুন্সিখোলগী অন্নাৎপা তহোবা কযা চেনসিন্নমবা সবক হাংবা লৈতমা লৈঙ্গবা থবকসিংনা মরম ওইতুনা ইন্নবা মতম লৈখিদম্বদগী চহি অমা থেংথবা তাখি ।।

অতুরু সনামহী লাইনিংগী লাইমিং-লোৎবগী অমদি মিংথৈগী সাংলবা ন্নাবী অত্র ইবিনবা হৌজিক অমুক কন্না হায়জবা তৌজরে ।। মথংগী লাইরিক্কী থৌরাং অমা লাকপসিদা নংহৌদবা তংবে হায়রুনা ঐথোয়না চৈরাউবগী লাইরিক অসি হান্না পাম্নবি-হৌনবা উজদা কন্না হায়জবদগী থুমিং ৪ নি দা থৌরম অয়াম্বা ককথংপিরুনা লাইবিকসিগী সরুক ১০ থোকপগী ৯ মুক ইবা লোইখি ।। মতুদগী ইনা ইনা প্রেসতা নমথরুনা অন্নাৎপা খররুনা অসংবা মতম অমুক ঙাইবগা লোইসিনবিরকই ।। অসুম্না হন্দক্কী চৈরাউবসি নংননবা মাঙজোননা পুথোকহৌননবা হেংনবদ' উজানা লৌবিখিবা অচৌবা থৌদাং অতু য়াম্না অথন্নবা ওইখি ।। অকক্লবা মতমগী মনুংদা লাইরিক অসি মন্ননবা হোৎনবদা অচৌবা সরুক য়াবিখিবগী-দমক্তা ওসো প্রিন্টরস, খুয়াথোংবুস্থু থৌরাম হকচা যাঙনা থাগৎচরি, মতেং পাংবিখিবা নহারোল সিন্দম লুপ থৌসিমকোনগী মকুপলোয়সিং-বুস্থু ঐথোয়না হন্না হন্না থাগৎচরি ।।

অকোংবসিং—

কোনসমচা হেম্বা,

য়ুম্নেম্বম নিংঙোল থোইবী লৈমা,

খোঙাম নিংঙোল ঙাম্থোইবী ।।

চৈরেং ৪/২৩/১৯৮২ ইং

খরদং পনজবা

"সজিফু চৈবাউবা" সনা মহী লাইনিংগী খাইদগী মক্ত ওইবা লাইথৌসিংগী মনুংদা অমনি ॥ খাইদগী মক্ত ওইবা লাইনিং অসিগী থৌরম অমা ওইবতা নত্তনা কুমজা (থাগী চহি, Lunar year) অমগী ঙহান হংবা কুমজানমক্তদা পাঙথোকপা সনামহী লাইনিংগী লাইথৌনি ॥ অসিবা লাতমসিংনা চৈবাউবগী লাইথৌ অসি লৈন্নুং লোনজা অসিবগী মতমদা ফোং ফোং সানা চাউনা পাঙথোক্লম্বগী রাবা লৌবি ॥ "কোংবা লৈথোং ফাংলিবা" অসিবুসু লৈনুং লোনজা অসিবগী হাকথক্তা "কংবা লৈথোং ফাংপা" থৌরম ওইনা চংনরম্মী ॥ ঈনিংথৌ অসিদি খ্রিস্তগী চাহি হৌহনলকপদা পাল্লম্বা নোংদা লাইরেন পাখংবগী অাঃ মমাঙদা পাল্লম্বা মসক নাইবা লৈঙাকপুরেন অমনি ॥ থাগী চহিনা (Lunar year না) নুমিৎকী চহিবু (Solar yearবু) তানথৎনবা হোৎনবদা রাৎহৌবা নুমিৎনা পুন্না থা সাহুনা সজিফু অমি পান্দুনা সজিফু থাবোন্নববু মতুংদসু নিংসিংনহৌননবা ঈনিংথৌ ঈবুংঙো নোংদা লাইরেন পাখংবগী সনা হাকথক্তগী কংবা লৈথোং ফংলম্ববু কোংবদা হোংহনা মীহৌবোন্দা তাংকক অমা ওইনা থম্মীবম্মনি ॥ "চৈবাউবা" লাইথৌ অসিদি খ্রিস্তগী চহিরোন হৌদ্রিঙৈ অাঃ মমাংদগী লৈবক্লবা লমদম অসিগী লিববা ঈনাৎ অমনি ॥

পুযা মৈ থাখিবদগী তুংদা লাকপা মমাঙগী মীরোন খরদা হিন্দু লাইনিং চৎলুবগী মইহৎ ওহনা অমুক চাউবা লাইথৌ অসিবু নুমিৎ লান্না "চড়ক পূজা" নুমিৎ অসিদা শুন্থোরম্লে ॥ লাইগী থৌরমদসু নৌনা হাপচিল্লকপা মসাগী অসেংবা নওবা কযা অমা চখরক্লি ॥ মমৈথংদদি হৌজিক উরিবা কাংলোন মথম নাহুদবা, মীগীরা ঐথোয়গীরা খঙবা ভগ্গোকপা মঙং অসি শুইবক্লে মতং অসিদা তঙাই ফদনা লাইথৌ অসিগী মবী মথোঙ লৌহনা অখঙ-অহৈ খন্দুনা অমাদ মরী লৈনবা পুযাসিং খিজিন্দুনা মপাল লমগী থোওহনা থারকপা মীথুং অহু চঙদবা অসেংবা ঈনাংকী চহীনবী মঙং অহু নৌনা হিংগৎহম্বদা হৌজিক চমম্লবা

চক অসিদ। :পাক্রিবা ঐনোম্না লৌকম পোক্রবা থৌদাং খন্না মাঙনা তারে। থৌদাং মসি অমখক্তদি "*সনামহী লাইনিংগী সজিফু চৈরাউবা*"॥ হন্দক্কী মলিয়া কুমসীং ৩৩৭৯ গী চৈরাউবসি নংননবা ইদবা য়াদত্রনা নুমিৎ খরনিতদা হাপ্না নংহে'বা মচাকসিংতমক সিজিন্নজবনি, পন্থা য়াবা কয়া অমসু লৈহৌরি॥

"কংলৈখোল" চেফোংগী তেংবাং-খোরিলাংবা কোনসমচা হেন্বা, থৌ-সিনকোন চন্নুরা সংলুপকী য়ায়তোংবী য়ুম্লেম্বম নিংঙোল থোইবী লৈমা ১স্তুং, থৌসিনকোন চন্নুরা সংলুপকী এক্স-কাংলুপ লুচিংবী থোঙাম নিংঙোল ঙাম্বোইবী অতম্না সেল থুমগী পোৎলুম অমসুং এতম কয়া মাঙনা লাইরিক অসি মতম চানা পুথোরক্বা তোৎনবগী অরুম্বা থৌদাং পুন্নমক য়াবিত্রনা লাইরিক ইনা ইনা নমথবা হৌগত্রনা নুমিৎ খরনিতগী মনুংদা ইবনু নম্বরু পুন্না লোইসিন্না ঙমখিবনি॥ কংলৈপাক থৌসিনকোনগী নগারোল সিন্দমলুপকী সিন্দমলোয় কয়ানসু মতাং কযাদা মতেং পাংখি। থৌদাং লৌবিখিবা পুন্নমকপু ঐনা কাউবা ঙমদবা ওইজহৌরে॥ থৌসিনকোনগী চহি অসিদা থৌবুরেন পুবিরিবা, কংলৈরোয় অমসু ওহরিবা সিস্তাকপা খুমখাইবমচা লুরাং খন্নবা নংসা কাংলোনগী ফিথুপ কাংলোনশীদমক সক্রম ওইনা উনয় তৌত্রনা ইংপিবনীদমকসু ঙমখৈ লৈতনা মু ঙাইজ॥

লমদা ১০॥নি পান্না
মনিয়াফম চহিরোন ৩৩৭৮
খ্রিস্ত: চিহিরোন ১৯৮২

এন কো, কাংজম্না॥

করি য়াওরি কদাইদা

সনামহী লাইনিংগী

সজিফু চৈরাউবা

(১)

চৈরাউবা-লাইথোগী মচাক লৌফম

"*সজিফু চৈরাউবা*" কৌবা লাইথৌ অসি সনামহী লাইনিংগী য়াম্না মরু ওইবা থৌরম অমনি ॥ সনামহী লাইনিং চৎলিবা ঈমুং খুদিংমক্তা ওণ্ডাইথন্দনা চহি চহিগী তৌদবা য়াদ্রবা লাইগী থৌরম ওইবা মরম্না চৈরাউবা লুমিৎ অসিদা খৎন-চৈনবা, পুকচেল তিন্নদবা, সাউন-খোৎনবা, উংখৎনবা অমদি ওক্তবা লিচৎ-সাজৎ অসিনচিংবা ঈমুং মনুংগী লৈখা তানিণ্ডাই ওইবা পুন্নমক ঈমুংগী মী পুন্নমক্তা থাদোক্তুনা পুক্নিং সেংনা য়েলহৌডৌদগী তৌনরকই ॥ লাইথৌ অসি লাইনিং লম্বী তাম্বতা নত্তুনা পুক্নিং অনম্নুং খোয়জেল লিংজেল লাকসিন্নবগী রারক-কাংলোন অমসু চাউনা ওইরকই ॥ মরম অসিদগী সনামহী লাইনিং চৎলিবা লাইনিংলোয় পুন্নমক্তা লাইথৌ অসি চেকাসিন্না, থম্মোয় সেংনা পাংথোক্লরকথিবনি ॥

চহি ২৫০ রোম সনামহী লাইনিং অসি পুমসিনক সিহন্না ওমদ্রবসু নমথতুনা লৈরুরে ॥ চহি ২৫৩ রোম অংগাম্বা লাইনিং মঙং কয়ানা নমথতুনা থমলুবদগী কাংলোন চুম্না চৈরাউবগী লাইথৌবু পাংথোকপা ওমলকখিদে ॥ তসেংনা চৈরাউবগী কাংলন অয়াম্বা খণ্ডনরক্কবা থোকপদগী মঙ কয়াদা থৌরম অসি ক্লায়থরবনি ॥ ভসিফাওবা লৈপাক্কী থাক্তা কাংলম চুম্না পাংথোক্লক্ত্রি ॥

কাংলম কায়থরকপা অসিনা মরম ওইদুনা অমুক নৌনা মওং চুম্না পুখৎহৌবা অমা তঙাইফদনা চংই। মরম অসিনা চৈরাউবা লাইথৌ অসিগী মরাদা লৌখুল পিরম্বা, থৌরম অসিগী মরমদা হৈরিবা পুয়া লাইরিক কয়া ঐখোয়না য়েংশিনবা য়াদে, নৈনদবা য়াদে ।। মরী-লৈনবা পুয়া অমদি অরীবা লাইরিক কয়া অসিগী য়ুমফমদা সনামহী লাইনিংগী চাউরবা থৌরম অসিগী কায়থকুরবা কাংলম্মু অমুক নৌতৌননা চুনথোক্কদৌরিবনি ॥ মরম অদুনা থৌরম অসি খণ্ড্ জিন্নদা খুদোং চাননবা মসিগী মরাদা হৈরিবা পুয়াসিংগী মমিং ঐখোয়না খণ্ড্ জিন্না তাই ॥ নৈনরকপদা পুয়াসিং অসিনা য়ুমফম ওইদবদি কৈদৌঙৈদম্মু চৈরাউবগী চৎমবা য়াবা কাংলোন পুথোকপা ঙম্লোই। মরমদি ল্লাইথৌ অসি নৌনা হোদোকপা নত্তে, চহি লিসিং কয়াগী মমাংদগী লৈরকুবা থৌরম্নি ।

ইতান, হায়দা ঐখোয়না লৌখত্তুরা য়াদবা চৈরাউবগী থৌরম, সীংথেক্ক মীংথাবা, সীংসৎপা, লাইফম কয়াগী ঈরাৎ—থৌরম—পোৎচং, চৈ কাবুগা থৌরম অসিনচিংবগী রারোল নিংথিনা হৈরিবা পুয়াদি **"মসিল সীংতেক সীংসং"** অসিনি ॥ মতুং অসিদা পুলুপ—মুথক পাবা, পুলুপকী থো পুংবা, অরী অনৌ সিন্নরকপগী চেজুল কয়াগী মরাদদি **"সলাই পুংলুপ-লোন" "অমম নোং লোন" "কুমপারোন" "চেথারোন কুম-পারো"** অসিনচিবা লাইরিকসিংদা য়েদবা য়াদে। থা ১১ গী থাবানচিংবগী মরাদা মপোপ কায়দনা হৈরিবা পুয়াদি **"নুংজিৎ চৈচংলোন"** অমাদ লেপ্ অনৌবা থরা য়ানসিনহুনা হৈথোক্লবা লাইরিক **"নুবীকা অঙুবা" নুবী-কা লাইসাবা"** অসিনাচবা অসিনি ॥ চৈরাউবগী মতম পাবদা থৌরাই-মিচাক (থৌরানমিচাক) কয়াগী খোংচৎমু সিজিন্নরম্মী। কাংলম অসিগীদমক্তদি **"নোংতোল লাংপুম" "থৌরাইমিচাক খেনচংলোন" "রা-কোকালোন খিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক"** অসিনচিংবা পুয়াসিং নৈনদবা য়াদে ॥ থৌরাইমিচাকী মমিং মথা, মথোয়গী মফম, মথোয়গী মফমগা মীওইবগী পুন্সিগা লৈনরীবা মরী, নালেমসিংগী তেংবাংনবগী মপানি

নাহুদ্রবা ঈপাক অসিগা, মতম্তু তাক্লিবা থৌরাইমিচাকসিং অসিগা লৈনর্বিবা মবী অসিনচিংবা কথা অসি মঙং অমা তানা খণ্ডগে হায়রবদি লাইবিকসিং অসি অখণ্ড অহৈ যাওনা নৈনমিন্নবী চংই, চন্না পাবগতা খণ্ডবা যান্না লুই॥ কুম অমা লোইবগা কুম অমা লাকই, চহি অমা লোইবগা চহি অমা থুংলৈ—অম্মুন্না হৌখ্রিবা চাহিসিং অসি ফকপ খুদিংনা অককবা মতম অমদগী কুম পাবগী রাপ্পুল হেক লাকপগা হৌদোকপিনবা মীওই অথংঅহৈ থোবকুনা চহ মসাং মথং মথ পানরকই ॥ অম্মুন্না কংলৈপাক (ডাসগী মনিপুর) অসিদা পানবকপা চহিবোন অসিগী মতা দা রাবী রাখো লোননবা মতাংদা ঐখোয়না "*ডাসাপাকী সাংকক*" "*রাকোকলোন থিলেল*" অসিনা মপুং 'অ[illegible] কুমতম ঈডেল কুমখাই" যেনা কুমপাখিবগী রাবোল অমদি রাখল্লোন [illegible] "*লাংপুন্ন*" "*অমম [illegible]*" "*সাকোক লমলেন অহানবা*" '*নোংখোংলোন*" "*[illegible]হাংবা*" "*লোইমুম্পা সিনলোন*" "*লৈসেমলোম অ[illegible]পা*" "*[illegible]াইরৈতোন খুনথোকপা*" "*রাচেংলোন পাখুপ*" [illegible] ॥ উসিল [illegible] বগী মতাংদা [illegible] "*পোংসেমলোন প[illegible]*" '*উসিল ঈরাং*" [illegible] নি॥ চাহ [illegible] কায়দনা চংলিবা থা [illegible] গী নিংথোল [illegible] থা থা মতুগী মগী [illegible] নবা নাবী ইবিদা [illegible] গী [illegible] "*থারোন প[illegible]*" [illegible] ॥ বোম্নু গী [illegible] চৌ অহনা[illegible] খোমজিনবিবশ্বা চৈপাউবা [illegible] লৈনবা রাবোল কংযা হৈবা নিংথৌবোলগী রাবোলস্তু যাওবা অচোবা—লাইবিক "*নিংথৌ চহি*" হায়বা অমসু থম্বম্মী॥ লাইবিকসিমক থৌনম অসিগা মব লেনবদা যেংসিন্দবা ইযামক যাম্রবনি॥

অসিতা নত্তনা মতেক মতেক সংকংপা যাবা, মতেক রাবা মতেক যাওবা অতৈ পুযা কযামকমস্তু লৈবি॥ পুযাসিং অসি নত্তবদা মিংনা উবা নাকোংনা তাবা অখণ্ড অহৈসিন হৌজিক হৌজিক থবক ওইনা চংখছুনা লৈরিবা থৌবমসি

কয়ানস্থ চৈরাউবা-লাইথোৌ অসিগী মচাক লৌকম ওই ॥ অস্তুম্না অমুক হন্না। থিগৎলগা কাংলম লাল্লুরবা থোৌরম অসি নৌহৌননা চুমথোক্কদবনি ॥

—o—

চৈরাউবাগী নুমিৎ হোংদোকখিবা

(২)

(নুমিৎ লাল্লখিবদগী কায়থরকপা কয়া থোরকপা)

মলিয়া ফম্বালচাগী চহিরোন ৩১১৪ স্তবা (খ্রি: ১৭১৭) মেবা থাগী ৫ নি পাম্বা ঈরাই নুমিত্তা পামহৈবা নিংথৌনা ক লৈপাক্কী ইহান হান্বা ওইনা লৈপাক থঙ্না "গোপালদাস" কৌবা মীয়ান লম্বোইবদা লাইমিং লৌখি ॥ (১) নুমিৎ অসিদগী হৌনা সনামহী লাইনিংগী হৌনবী কাংলোন কয়া ফুং ওইনবা হৌবকখি ॥ মতুং তারকপদা মলিয়াফম চহিরোল ৩১১৭ স্তবা (খ্রি: ১৭২০) ঈঙা থাদা গোসাই অমনচি না মীয়ানচা ১১ ক লৈপাক্কা পোন্থোকখি। (২) সিলেৎ (হৌজিক বঙ্গলাদেসকী মতুং চনগ্রবা) লৈপাক্কগী সান্তদাস মহন্ত সনাত ভগবানদাসনে নরানদাসনে ২ পুরুনা থোরক্লগা পামহৈবা নিংথৌগী "গুরু মকোক" ওইখি ॥ (৩) অস্তুম্না সান্তদাস মহন্তনা থোরকপা মতিক লাইনিংথৌ সনামহীনা কৌবদগী লাকপনি হায়না মহাকত্না লাল্লা সন্দোক সিন্বগী হারাওনা পুযা থরদা লৈরি ॥ (৪)

---

(১) চৈথারোল কুমপাবা ॥
(২) চৈথারোল কুমপাবা ॥
(৩) মথক্কী পুযাদা য়েংবিয়ু ॥
(৪) মীয়াংগী সীংকক পুয়া য়েংবিয়ু ॥

মলিয়াফম চহিরোন ৩১২৬ সুবা (খ্রিঃ ১৭২৯) রাকচিং থাগী থানিল য়ুমসকৈসা মুমিত্তা পামহৈবা নিংথৌনা রাসকুনা লিলোংদা নোংখ্রং ঈরুপখি। মুমৌৎ অসীদগী পামহৈবা নিংথৌবু লুকুন (লু + কুম্বা) থাংবিখী॥ (৫) মীয়াম পুন্না লুকুন থাংহন্নবা হায়তুনা পামহৈবা নিংথৌবু অমুক্তং হন্না খ্রিঃ ১৭৩৭ হিয়াংগৈগী থানিল সগোলসেন মুমিত্তা মী ৩০০ গা লোইনবা লুকুন থাংহনখি। (৬) লুকুন থাংবিগনু হায়তুনা মসানা য়াখিদ্রবা, রাকৎ কয়া তৌখিবা থাংকসাইনচিংবা সনামহী লাইনিং কন্ননবা হোংনাখবা মীয়াম্বু খ্রিঃ ১৭৩৯ ঈঙেনগী ৫ নি পান্না থাংজ মুমিংতা নমতুনা লুকুন থাংহনখি॥ ওইনাম মরৈ-সেম্বা খুৎলৈনচিংবা রায়েৎ কয়া তৌরম্বা কংলৈচা কয়াবুসু নমতুনা লিলোংদা ঈরুপহনখি॥ (৭)

অসুম্না চংসিন্নরিবা সনামহী লাইনিংবু সীংনবগী গোঙজং অসিগা ইরোয়ননা খ্রিঃ ১৭১৩ গী লাংবন থাদা উমংলাই ৯ মক্কী লাইসং থুদেকখি, কম্মাবী ২ মক্কী লাইসংসু নিংথৌচুকুম্মা থুদেকহনখি॥ লাইনিংথৌ নোংসাবা, লাইনিংথৌ তাইব খায়বা, পানথোইবী, ঈমথৈলাই ৪ মক্কী লাইথৌসু হান্না লৈরম্বা কংলৈচানিংদগী লোথোরুগা বামোন্দা সিন্নখি॥ (৮)

মলিয়াফম চহিরোন ৩১২৭ লমদাগী ১০ নি পান্না নোংমাইজিং মুমিত্তদি নিংথেম পামহৈবনা মখৌ (লাই) মযাম্ব মৈদা ইকুনা নিংখি ভুরেলদা ভুম্বাচংলি। মুমিং অসিদগী নিংথেম পামহৈবা হায়না কৌরম্বা অতু মীয়াম মরোলদা গরিবনিরাজ মহারাজ হায়না কৌখ্রে। (৯)

---

(৫) চৈথারোল কুম্পাবা॥

(৬) চৈঃ কুমপাবা॥

(৭) চৈথারোল কুমপাবা অমসুং মীয়াংতা সাংকক পুয়ানচিংবদা মতাং অসিগী বারী ফংকিনি॥

(৮) চৈথারোল কুম্পাবা॥

(৯) চৈথারোল কুমপাবা য়েংবিয়ু॥

মমৈদা ঈবুধৌ পাখঙবগী সাইওলবু হিন্দুগী "অনন্ত" কৌবা লিলনি হায়না সন্দোক্লুনা অনন্তগী মতোক্তা মনি লৈববু সিংথাদুনা "কংলৈপাক" কৌবা লমদম্ব "মনিপুর" হায়না থোনজিনখি ॥ (১০) মনিপুর কৌবা ৱাহৈবু মীয়াম্না য়ানিংলকত্রবা মতমদনা সান্তদাস মহন্তনা লালদা থৌবা অর্জ্জুনগী মচা মম্বুনা লৈবা মহাভারত পুরান্দা য়াওবা "মনিপুর" হায়ব বভ্রুবাহন্না নিংথৌ ওইবা লৈপাক অদুনি হায়দুনা খুল্লম্মী ॥ (১১) মতম অদুদা হেক ভস্বমথৈ পুয়া থোমগত্তুনা, পুয়া লোৎলম্বসিংবু কিহন্দুনা পুথোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগা পুন্না অকংবা লাইরিক ৭০০ লোম কংলা উত্না মাংদা পৈরগা মৈ থাদোকখি।। থাদোকখিবা পুয়া ১১০ দগী হেন্না পুয়াদা থোৎচিন্দুনা ধম্মম্বদগী হৌজিক থিগৎলকপসিংনা মৈ থাত্রবা পুয়া কয়াগী মমিং খঙলে ॥ (১২)

অমুম্না পামহৈবা নিংথৌগী হাকথক্তুগী খরা খরা অসুম হিন্দু লাইনিংদা মায় ওনসিন্বা হৌখি ॥ তুংদা লাকপা নিংথৌসিংগী মনুংদা ভাগ্যচন্দ্রগী সনা হাকথক্তুগীদি কংলৈপাক্তা তম্পাক লমদা তাবা কংলৈচা অয়াম্বনা বৈস্নব-লাইনিংদা পুংলুপ লুপসিন্বা হৌরে ॥ কংলৈপাক্তী ৱাংমদা চৎতুনা লাই নিংবা অমদি লাইফম কোয়বনচিংবস্তু মসক থোক্না হৌখে ॥ গঙ্গা তুরেলদা চৎপগী লাইরিককাওবা "*চাৎথংখোম্বা গংগা চংবা*" কৌদুনা চাউনা ইদুনা থম্লম্মী ॥ মক্তা ঈবেম্মাসং (সিজ লাইওইবীনচিংবা), লৈমাসং য়াওনা চৎপগী ৱারীসু মরেক লেংবা হৌরে ॥ (১৩)

ভাগ্যচন্দ্র নিংথৌগী মতমদাদি ওসেংনা কোন্নুংগী থৌপুবা অয়াম্বা বঙ্গালী অমদি আসামীসিংগী চৎনবা. মতম খুংপা অমদি থৌরমনচিংবদা

---

(১০) মীয়াৎতা সাঁংকক নোংলোন পুয়াদা য়েংবায়ু ॥

(১১) সনামহী লাইকল পুয়াদা য়েংবায়ু ॥

(১২) মৈথাখিবা পুয়াসিংগী মমিং মীয়াংতা সাঁংকক পুয়াদসু য়াওরি ॥

(১৩) চাৎথংখোমবা গংগা চংবা লাইরিক্তা য়াওরি ॥

মিৎয়েং যাম্না থম্মে॥ মীতৌ তম্বনা চৎনবী হাল্লবহৌ ওইখিদ্রবা মীতৌ তম্বদা ইকাযবা পৈখিদ্রে, মীতৌ তম্বদগী ঈসাগী ঈনাৎ মাওথ্রঙদবনি হায়বসি ফাওবা কনামত্তনা খম্নদবা হায়বগী য়েৌরকখি॥ হান্না চৎনরম্বা মলিয়া ফম্‌লচাগী চহিরোন অহু থিগৎপগী মহুত্তা চহি পাবগী মওং অমা চেক্তা তৌদোকপা পাম্বগী রাখল লাকখি॥ রাখল অসিগী মতু, ইন্না মলিয়াফম চহিরোন ৩১৫৭ সুবা (খ্রিঃ ১৭৬০) হিয়াংগৈ থাগী ১২ নি পাম্বা সগোলসেন খুমিত্তদি ভাগ্যচন্দ্র নিংথৌগা ভাগ্যবতি থাকুরগা খুনবোংচা মনিরাম সিংহ সিদানন্দগা অহুম্না তান্নরগা "কংলৈপাক্কী সক" কৌবা চহিরোন অমা সেমখি॥ (১৪) মতাং অসিবু "চৈথারোল কুম্পাবা" লাইরিকতা অসুম্না হায়রি :—

"হিয়াংকৈ থা ১২ নি সগোলসেনদা মহারাজ জয় সিংহগা ভাগ্যবতি থাকুরগা কবো খুনপোংচা মনিরাম সিংহ সিদানন্দগা মপু মনাই ৩ মানা তান্নদুনা মাতৈ কংলৈপাককী সক অমা লিংদুনা পানখি থোকএ। সক মহাক্তি ৭১ নে।" চৈথারোল কুমপাবা লাইরিক্তা অমুকন্দ্র হায— "সোক অসি থোকপদা য়াওবদি তাইবংজম স্রীদাম, চিরোম স্যামরাম, ওইনামচা আনন্দ স্যাম, য়েন্দ্রেম্বা গংগা রাম, অথোকপা সান্রাম ৫ মাসুং য়াওহল্লে। থা ৫ সুনা লাইরিক সেমবা লোইরবদা মহারাজনা ব্রাহ্মন, বৈষ্ণব খিবিক্তা সামু অমনচিংনা সনা লুপা দান দখিনা তৌএ। সেল তাং হুললে। সিদানন্দদা নাই ফুংগা ১৫ পীএ।"

---

(১৪) চৈথারোল কুমপাবা লাইরিকতগী য়েংবিয়ু॥

হায়গী চহী পাবকপা অত্ত মৃথৎলবা ভূংদা অনৈবা চহি পাবগী মথং অমা হৌদোকখিবা মতাং অসিদগীনি করো মনিবামব "চন্দ্র সিধান্ত" গুইহনখ্রিবসি ॥ মহাক্কী সাগৈফাওবা লৈপাক্কী থোদগী কাইথোকপিখি ॥ মতম অসিদদি বঙ্গালী আসামীসিংদগী থাজৎ থাবানগী শোংচৎ কযা মতৌ তন্থা হোরে ॥ শ্রী, সিংহ, দেবী, সংক্রান্তি, পালোক অসিনচিংবা রাহৈ বয়া মহাক্কী মতমদা ইথোকপা লাইবিকসিংদা হাপচিল্লে ॥

নিংথৌরোল মথং মথং লাইগী থৌরমস্তু, চহি পাবস্তু, হৈকৎ লৈকংস্তু, হবাউ কুমহৈস্তু অযাম্বা সরুক্কা হিন্দুসিংগী চৎনবাঁভাক্তা লৈপাকসিমক্তদা পাংথোকহনখি ॥ চুবাচান্দ নিংথৌগী সনা হাকৃতক যৌবকপদদি মীগী হবাউ-কুমহৈদা মরৈ কন্না যেৎনত্নুনা কাং কান্বা অনিবক থোক্কক্কা চিং-নবকপা চহি যৌবক্লে॥ খুদম ওইনা ঈঙা পা মলমাস ওইবা খ্রি: ১৯০১ গী চহিসিমকদা মবুধৌ ঈবুংঙো পুস্কব ম স্বগা বামোন ২ গনা জগনাথ ক্ষেত্রগীস্তু চিংগনি হাযবা পাউ তাই হায়ত্নুনা মলমাস ওইবা থা মক্তদা কাং নমত্নুনা চিংখি ॥ মযাম্না রাফমসি যানদ্রে ॥ গোবিন্দগী বামোন সভানদি মলমাস লোইবগা "রথজাত্রা" পা থোকখি॥ মপানগী পাণ্ডিগী রাতদা, মীগী হবাউ কুমহৈতদা, মীগী চহিরোনগী শোংচত্নুদা পুক্লিং কন্না চংখি ॥ চৈথবোল কুমপাবদস্তু রাবী অসি যাওবি ॥

মপানগী পাণ্ডিদা কদাইফান্বা পুক্লিং চংলুবরগে হায়বদা খ্রিঃ ১৯০২ দা সাল্লবোলি কৌবা হিন্দুগী পন্দিত অমনা থরান থাগী ২৭ নি পাঙ্বা থাংজ গুমিংকী নোংযাই মতুং পুং ১ তাবদা অমা অত্নুগা নোংমাইজিংগী থংবা নোং যাই মতুং পুং ১ তাবা মতম অনি অসিদা যুহারাগনি (ভুমিকম্পা) হৌগনি হায়না চ ইরকলে হায়ত্নুনা নিংথৌস্তু গোবিন্দস্তু সংগাইদগী থোরক্নুনা নাং নিনি দস্থুব খন্দুনা লমহাংদা লেকখি অত্নুগা যুহারবদি থোক্তত্নুনা তোকখ্রে ॥ লাইরিক তদ্বযাংবদা করৈ-ঈম্বেক তন্থা হন্দোক্নুনা

তম্বা হুন্দোক্লুনা নিংথৌমসামক বাঙ্গলা ওইনা তমখি ॥ (১৫) রাকমসিং অসি উরগা ঐখোয়না খঙলে—কংলৈচা পুম্নমক মীতৌ তম্বা, মীগী চং-নবীদা লুপ্পা, ঈসাগী ঈপানাং ঈপুনাং মাওজখিবগী থোইনা খম্বরুদবা, সনামহী লাইনিংবু পুমকাউ কাউথোক্লুবা মতম কুইরক্লে।। মীতৌ তম্নিংবগী রাখল অমা কন্না মিহুল ওইনা হুন্দুনা নিংথৌরোন কয়াগী সনা হাকথক্তা লৈরক্লবা, মীরোন কয়া মীতৌ তম্বতনা মথৌ ওক্লরুরবা কংলৈচা লাখা কয়ানা মপা মপুগী লংসেকহৈদ্রবা মনাং কয়াবু হন্নফাওবা য়েংবিদনা লৈথোক্লুবনা মপা মপুনা পানরকপা চহিরোন, চহি হৌরকপগী থৌরম সরোংট খাঙবা, সীংথেক-সীংথাবা, সীংসৎপা, চৈকাবা, চৈরাউবা, চৈথাবা, লৈথোং ফাৎপা, লৈথুন ফুযা পুন্নমক্কী লাইথৌসিংসি মপোপ পুমতোয় তৌইনা থুগাইদুনা থন্নয়ে॥ অমুক চুমথোকপিবগী রাখল কনানসু তৌবিরমদ্রে ॥

নমৈ থংদদি করি হুমিক্তা চৈরাউগদগে হায়বা ফাওবা নিংসিংবিনবা লৈরক্তুনা বঙ্গালী আসামীসিংগী মতৌ তমদুনা গৌরিয়া মনাই ওইজবগী মহৈঃ ওইনা "চরক পূজা" (চড়ক পূজা) হুমিৎ থোকপা অমদা তৌসিনখ্রে ॥ মসি ভাগ্যচন্দ্রগী হাকতক্তা বঙ্গালী আসামীসিংগী মতৌ তমদুনা পুসিল্লকপিবা বৈসাখ (বৈশাখ) সংক্রান্তিদা চৈরাউবা তৌহনখিবহু-দগী সেরাননা তন্নখিবা চৈরাউবগী হুমিৎনি ॥

কংলৈচাসিংগী মসাগী চৈরাউবগী মতমফাওবা খঙজিল্লকত্রবা মতম অসিদদি কংলৈপাক্তা এসিস্তেন্ত পোলিতিকেল এজেন্ত ওইরম্বা রোয়েল এন্থ্রোপোলোজিকেল ইন্সাতত্যুৎকী সুপরইন্তেন্দেন্তসু ওইরম্বা তি, সি, হদসন সাহেবনা বেঙ্গলদা লৈবা, সাগৈ অরাংবনি হায়দুনা বেঙ্গলদা লৌনবা নুপা অমদা হংলগা চৈরাউবা থৌরম্বু "চরক পূজা" হায়বসিগা মরী লৈনৈ হায়না মাগী লাইরিক্তা ইসিল্লে ॥ (১৬)

(১৫) চৈথারোল কুমপাবা লাইরিক্তা য়াওরি ॥
(১৬) The Meitheis (New Edition) by T. C. Hodson, pp. 104.

হদসন সাহেবনা "চৈরাউবা" হায়বা মমিং অসিফাওবা "চিরৌবা" হায়না ওন্থোক্লগা "চি" হায়বদি তীবেত্তো-বর্মন লোলথৈদা "থুম" হায়বনি; "লেবা" হায়বদি অমগী অমদা খুৎসিন্নহুনা "লৌবা" অহুবুনি হায়বগী ৱাহন্থোক অমা পিহুনা "থুম-লৌবা" হায়বা ৱাহৈদগী "চিরৌবা" (চৈরাউবা) হায়বসি লাকপনি হায়রি॥ অস্থুম্না চৈরউববু তীবেত্তো-বর্মনগী লোলথৈ অমনি হায়রিজল্লগা চৈথাবা মী অতদা নিংথোনা থুম্নচিংবা মনা ময়াম অমা পিবতদগী থুমগী মিং লৌরগা লাইগী থোরমসিগী মমিংবু চৎনদবা অমা থোনজিল্লম্মে॥ (১৭)

অস্থুম্না চৈরাউবগী লাইথোৰু মমিং হোংদোক্লগা ভাগ্যচন্দ্র সনা হাকথক্তা বৈসাখ সংক্রান্তিদা থৈদোক্লম্বদগী বেঙ্গল-আসামগী "চড়ক পূজা" নম্থু যোৎসিনবা ওমখিবনি। মোংচুপ লমগী হদসন সাহেবনা চৎনদবা মমিং অমা হায়জিন্বা ওমলম্বম্ব লীথুল নিংথিনা ফংহিদবর্গনি॥ মতম হেনজিনখ্রবদি মুৎখিবদ তারমকবনি॥

(১৭) The Meitheis (New Edition)—by T.C. Hodson, pp. 106.

(৩)

চৈরাউবগী অসেংবা নুমিৎ

নি থৌরোন থরদা চৈরাউবগী থৌরম অসি বঙ্গালীগী বৈসাখ সংক্রান্তদা লাম্না তৌহল্লকপদগী তু দা হৌরক্লিবা কংলৈচাসিংদা কঙাওনবা অমা থোক্লে ॥ অযাম্বা কংলৈচাসিংদি হিন্দু থরগক্কী "চরক পূজা" কৌবা থৌরমগী নুমিৎসিদা তৌবিবসিনা ঈপা ঈপুগী অচুম্বনি হায়না থল্লি । মরম অদুনা খুংপাই সুম্বা অমদি পানজিগী থবক তৌবা মীওইসিংনা মথোয়-নোয়গী চহিগী পুথোক্লিবা পানজিকাসিংদা "চরক পূজা" নুমিৎপু "চৈরাউবা" হায়না ইডুনা কোংনরিবাসান ॥

কনাগুম্বা থবনা পোইন্নুগী থা লৈবকপদা নঙ্গা রাক'চংগী থা হৌগৎলকপদা ইংলিস কেলেণ্ডর ইযাব এপ্রিলগা মদুগী মতৌ ওনদুনা চংনহল্লবস্থু সন্দোরবপা থেংনবে ॥ অদুবু চেদদা মযেক ভাবানি, কনাম্থু পোইন্নু-রাকচিংদা চৈরাউনবা যাওদে ॥

হৌজিক লোমা লোংমগী মসাং হেন্না তেন্না চৈরাউবগী থৌরম পাং-থোকরক্লিবা নুমিৎনা সজিবুগী নোংমা পাম্বা অসিনি ॥ সেংনা কংলৈপাক্কা ঈপানাৎ ঈপুনাৎকী কাংলোন চংপা, সনামহী লাইনিংবু লম্বী চুন্না খিগৎলক্লিবাসিংদ লোয়না সজিবুগী নোংমা পাম্বদা চৈরাউই ॥

হৌজিক ময়াম্না খঙনরিবা কাংলুপ্তি চরক পুজাদা চৈরাউগদবনি হায়রবাসিগা সজিবু নোংমা পাম্বদা চৈরাউনরক্লিবা অসিগা অনিসিতান ॥ অনি অসিগী মরু দা করম্বনা চুম্বগে, করম্বনা অসেংবনো খন্দোকপা তারবদি চহি পাবা অমম্বং চৈরাউবগী থৌরমগা মরী লৈননা হৈরম্বা পুযাসিং অদুতনা অরোইবা রারেপ পিবা ওম্বগনি ॥ পংহায় হায়নরিবসিদি মসা মসানা সেমজিল

সাজিনজবা ঙাক্তনি, নত্রগনা অসেংবদু খঙ্লুদবনা মতোমতগী রাখলনা ওইরমগদবা মান্বা পরিং খরা সেমগৎলুবতনি ॥ হৌজিক মবী লৈনবা পুয়াসিং নৈনরগা তং তাবা অমা লেপ্পা য়াম্না লাযনা থোক্লগনি ॥

(i) ***চৈলাউপকী মসিল ঃ***—চৈরাউবা-লাইথৌ অসিগী মবমদা ইবা খ্বাইদগী মরীক চুম্বা পুয়াদি ***"চৈলাউপকী মসিল"*** কৌবা লাইরিক অসিনি ॥ পুযা অসিদা চৈরাউবগা মবী লৈনবা থৌবম সীংথেক সীংথবা সীংসৎপগী রাবোলনচিংবা ইবি হাযদুনা ***"মসিল সীংতেক সীংসৎ"*** হায়নসু কৌই ॥

পুযা অসিনা থাগী থাসক সীংথারকপদা অসুম্না ইরি—***"লমতা সীংথেক থা ॥ পাচিফোই লাকয়েন সীং, হৈপাক সীংসৎ লৌনা রাই ॥ সাচিফোই কুম হৌনা, কাকয়েন তাইপাপু, নমু মীকোক থোংপকী, লৈপাক মীপুম সিলহেন হৌনা ॥"*** মসিনা তাক্লিবদি—সী থেক সীংথবগী থৌবম পুম্নমক লমতা থাদা তৌই—কুমগী লাকযেন তাইবা হায়বদি অরীবা চাহগা হনৌবা চহিগা তাইনবগী থৌবমদা হৈবোক চীংদা সাংখাবনসু সীংসংজি অদুগা সজিফু থানা কুমহৌ-থা ওইজুন। মীথমগী অথবা ওইনবা থৌরম পাং-থোকই—অদুগা সিলহেন্দুনা থবক লেপ্নগী হৌনবীনসু লৈপাক মীয়াম্না সজিফু থাদা ঙাকই—গাসান॥ মসিদগী এখোযনা চহি ১গী থা ১২ লৈবগী মনুংদা খ্বাইদগী অহৌবা, অহান্বা থাদি সজিফু থানি হায়বা য়াম্না লায়না খঙ্ই ॥

চৈবাউবগী অসেংবা নুমিৎকী মতাংদনা পুযা অসিনা অসুম্না ইরি—***"চৈলাউপা হায়েংনি হায়পকী নুমিতাংতা লমতা থাসিতা খোইমুম লাইয়ামনা থাংচা অহানপতকী চায়াল থাংচা ৩ তা সীংথাখিপপু হৈপাক চীংকী লাইকমতা সিংসৎ-কনিএ ॥"*** রাহৈসিং অসিনা চৈবাউবগী অসেবা নুমিৎ অসি সজিফু থাগী নোংমা পাব্বা অসিনি হায়বা থিন্দুনা অহুম তাকচরে ॥ ***"চৈরাউবা

হায়ংনি" হায়বা মুমিৎপু *"লমতাগী থাসি"* ওইরবদি মসানা থংনবা মুমিৎতি সজিফুগী নোংমা পান্বা অতম তাজরে ॥ মসিদা করিমত্তা চিংননিঙাই লৈজ্রে ॥

থৌথোক থৌরম অমত্তা মপান্দগী লাকপা থৌরমগা তোৎসিন্নবা তৌহন্দনা কংলৈপাক্কী *"'চরাউবা'"* কৌবা ঈনাৎ অসিগী মরমদা মরিক চুম্না ইরন্নিবা *"চৈলাউপকী মসিল"* নত্রগা *"মসিল সাংতেক সাংসৎ"* হায়না কৌবা পুয়া অসিনা চৈরাউবগী মুমিৎ পিরন্নিবসিনা মসানা অরোইবা রারেপ ওইংদবনি ॥ মসিগী অচেৎপা য়ুমফম লৈজে ॥

(ii) *নুমিৎ চৈচংলোন পুয়া* :—*"নুমিৎ চৈচংলোন"* কৌবা পুয়াগী মতুং ইন্নয় থা ১২ গী অহৌবা থা অসি সজিফুনা ওই ॥ চহিগী অহৌবদগী অরোইবফাওবগী থাবান থারকপদা *"সজিফু নোংমা পান্বা"* নুমিৎ অসিদগী হৌই। ওসি ওসিনক চৎনরিবা থা ১২ গী মথং মনাও—*"সজিফু, কালেন, ঈঙা, ঈঙেল, থরান, লাংপন, মেরা হিয়াংকৈ, পোইনু, ৱাকচিং, ফাইরেন, লমতা"* হায়বসি মপোপ অমত্তা কায়দনা নুমিৎ চৈচংলোন্দা মরীক চুম্না য়াওরি ॥

পুয়া অসিনসু "চৈলাউপকী মসিল" কৌবা পুয়াদা তাক্লিবা চৈরাউবগী অসেংবা নুমিৎ *"সজিফুগী নোংমা পান্বা"* অসি অচুম্বনি হায়বা থিন্দুনা তাক্লে ॥

(iii) *ৱাচংলোন পাথুপ পুয়া* :—সজিফু থাগী নোংমা পান্বা নুমিৎপু তাইবংপান ফাওনবা মপুনা তরং পাউ পিথিবা নুমিৎনি হায়দুনা *"ৱাচংলোন পাথুপ"* পুয়ানা নুমিৎ অসিবু থরামকুগী অথোইবা ওইনা সিংথারম্মী ॥ পুয়া অসিনা হায়—"*....সাচিফু নোংমা পানপতা মপকী তলঙ পাউপ ফংপনা ও নি পানপা*

নুমিৎতা ঈসাইফু ঈলোন নংঙতা ভলঙ মপন্না সাচিফু লৈখুল তৌলকপা মিরেল পাপোং লোম্নপনা.... ।।"

মথক্কী রাহৈসিং অসিনা তেংবাম্বা মপুগী তরং পাউথাং পিরকখিবা অহাম্বা নুমিৎ অসি সজিফু থাগী নোংমা পান্ননি হায়বা ওকই ॥ সজিফু লৈখুল তৌবা মিরেল পাবোং লোম্লকপা হায়বদি তাইবংপান মনুং মপান ওইহল্লরুবা তাইবং হুকচাং সাগৎলকপা-রাখল লৌসিং মিতম্লকপা অসিনা নুমিৎ হুম্নিগী মতম চংনা ওইরকখিবনি হায়বস্থু পুয়া অসিনা সিংথারি ॥ নুমিৎ হুম্নিগী মিরেল পাবোং লোম্লকপা অসিনা নুমিৎ ৭ নি সুবদা মপুং ফায় হায়নস্থু পুয়া অসিনা মথা তারি ॥ মরম অসিনা সজিফু থাগী ৭ নি পাম্বা নুমিৎতা কোংবা লৈথোং ফাৎপগী থৌরম ঙসিফাওবা কায়দনা চৎথরিবসিনি ॥ সজিফু লৈখুল কুম্নগী থৌরম পুন্নমকস্থু লীখুল অসিগী মতুং ইন্না পাংথোক্লিবনি ॥ পুন্নমক চৈরাউবগী থান্নবা য়াদ্রবা লাইথৌ ঙাক্তনি ॥ তরং লাইপাউগী মনুংগী কাংলোন্দি চাউথ্রবা রাগলোন অমদা যুম্ফম ওই-বনা তোপ্পা নৈনফম থোকই ॥ সমজিল্লবদা পুয়া অসিদগী ঐথোয়না খঙলিবসিদি সজিফু নোংমা পাম্বা নুমিৎ অসিদা লাইনিংথৌ সনামহীনু অথেনপোং লাওতুনা সংনৌ নথেল লুকোয় কংনা চৈরাউরিবসি য়েলতৌ-ঙৈদগী চৎনরক্রবা সনামহী লাইনিংগী চাউরবা থৌরম অমনি হায়বসিনি ॥

(iv) *থালোন পুয়া ঃ*—কংলৈপাক্কী মায়চৌসিংনা চহি অমদা চৎলিবা থা ১২ অসিগী মমিং থোনখিবগী রারী থৌথোক রাথোক কুমচং কুমপা থা খাদুদা ভৌনরকপগী মরী মথোঙ ইসিন্দুনা থম্বিরম্বা পুয়া অদুগী মমিং "*থালোন*" হায়না কোই ॥ সজিফু থাগী সিংথারকপদা "*থালোন*" পুয়ানা হায়—"*লোইতাম সাচিফাই থাও কৌপতি কাতোনো-কিনোং? চিংংঙু মপুলেন খোইয়ুম নোংতমনিপা লাইমলু সিতলপা মালেম লাইওইপা কোলো নোংওইপা য়াঙপী সিতপকী চিলেন লাঙয়েন মাপারমাপু*

মচী পানফোই থোক্র হায়পাকী লোইতাম সচিফোই থা-ও তৌনা কোএ ।।" মালেম লৈম্ন ওইবা কোরৌনোংস্থ ওইবা তাইবংপান্ববু নোংদম্বিরিবা মপু সিদবগী তাইবং লাংওনগী য়েল ওইবা চীরেন ৯ মক্কী মচী ফানকোই থোকপা থানে হায়বগী লোইদাম সচিফোই থা কৌই হায়না মথক্কী রারোল অসিনা তাকই ।। তাই য়েল হুম্বা থাদা তেংবান্বা মপুগী ময়াই-পাঙ্গল ফুদোকই হায়বনি ।।

অসিগুম্বা য়েল হুম্বা থাদা তাইবং হকচাং ওইরিবসিংগী হকচাংগী মচি-ময়া কেনখিববুস্থ অমুক নৌহৌনা চোংই হায়বসি পুয়াসিদা সিংথারিবা "য়াউলৌ সাচি সায়া কেনপপু চিলেন অমঙ্কক হুনপা থা" হায়বা রাহৈ-সিংনা ফোংদোকই।। থা অসিদা তৌগদবা লাইগী থৌরম্বু মোংপা ঈমলাই সাকা তমহৈপা" য়ুমগী লাইবু হৈ-লৈ অকৎ-লম তমহুনা খুরুম্বা থানি হায়হুনা সিংথারমই ।।

চৈরাউবগী লাইথৌ লোইরবা মতুং মুমিৎ ৭ নি লৈরগা পাংথোক্কদবা কোংবা লৈথোং ফাৎপগী থৌরম অমদি খুনমাবা লৈমাবগী থৌরম্ব, "*থালোন*" পুয়ানা অম্ভুম্না সিংথাহুনা ইরি—"কোংপা লৈথোং ফাৎ সচিফু লৈখুন ফুন, মতোম সায়িলাং, হেপু খুনমাপা লৈমাপা, অতোং অলেংপা কুমথন—থন ঙানতু—তু ।।" য়েলহৌঙৈদগী হৌনা মৈনা রাই তাংনা সম চৎনহুনা অহুম লাকপসিনা ঙসিফাওবদা মুমিৎ খরা সোয়-নহম্না ওম্লবস্থ সজিফু থাবুদি লান্থোক্না চৈরাউবা থৌরম্বু পুথোকপা ওমদ্রিবনি ।। "সজিফু চৈরাউবা" ঈনাৎতা পকুনা লৈথ্রবা রাহৈনি ।।

(vi) *পোংসেমলোন পুয়া*:—তিনথুং-লাইথুং কোরুবা হিদাক কাংলোন, মাইবরোন অমদি ঈরাৎ উসিন্নচিংবগী মরমদা ইরিবা "পোৎসেমলোন" কৌবা মমল য়াম্নবা পুয়া অসিদা সজিফু নাংমা পান্বদগী চৈরাউবা থৌরমদা মীওইবগী সিংলী ১০৮ দা

তোংত্তুনা লাক্লবা লাইথুং ১০৮ বু কোকথোক চাম থোক্লবা কাংলোন ইরি ॥ *"কুম অমগী সচিফ্ নোংমা পানপা চৈ-লাউপতা তাল ১০৮ গী মচিনচাক থাক্‌কনি ....॥"* রাহৈসিং অসিগা লোইননা সাংলবা চৈরাউবা মুমিংকী উসিল—মরোল অতু ইরি॥

মথক্কী রারোল কয়া অসিদগী এখোয়না খঙ লে—চৈরাউবা-লাইথৌ অসিগী থানা থা ১২ গী অহান্বা সজিফু থানি. অচুম্বা য়েলহৌভৈদগী চৎনরকপা মুমিং থাবান্না নোংমা পান্বনি॥ চৈরাউবা মতুংদা তৌগদবা চৈরাউবগা লোইনবা থৌরম কয়াদি সজিফু ৭ নি পান্বদগী হৌনা তৌখ্রে॥ থৌরমসিংসিগী রারী *"কুম্বারোন"* অমসুং *"নিংথৌ চহি"* কৌবা লাইরিক্তসু মরীক চুমনা ইরি॥ কিয়াম্বা সনা হাকথক্তা হিয়াং লোইনা চৈথাবা অঙ্গী মমাংদদি চৈথাবগী মমিং লৈতে॥ চৈথাবগী মমাংগী থৌরম থৌথোক ইবা লাতম্বু *"নিংথৌ চহি"* হায়না কৌতুনা চৎনরকই॥ *কুমজা তেকহৌনবা, থাজা নোংহৌনবা, সজিফু লাকয়েবা তাঙ্গৈনবা"* হায়বা চৈরাউবগী থৌরম অসি সজিফু থাগী অহান্বা হৌগৎলকপা মুমিংতা পাংথোকই হায়নসু *"নিংথৌ চহি"* কৌবা লাইরিক্তা ইরি॥ পুম্নমক অসিনা সনামহী লাইনিংগী চহিগী থৌরম চৈরাউবা হায়বসিগী অসেংবা মুমিংতি সজিফুগী নোংমা পান্বা *"থাংজ, নোংহৌনবা"* =হায়বদি অনৌবা চহি হৌবগী অহান্বা থা থোক্কৎলকপা অসিনি॥ "কুমজা তেকহৌনবা"=কুম+মচা (থাগী চহি=lunar year) অমনা লোইখিত্বনা অনৌবা কুম+মচা (lunar year) অমনা হৌগৎলকপা হায়না সিংথারিবসি সজিফু নোংমা পান্বা নত্তনা অতৈ অমা থিবা ফংলোই॥

মতাং অসিদা থাগী চহি=কুম+মচা=কুমজা (lunar year) হায়বা অমগা মুমিংকী চহি অম্বা=মুমিং ৩৬৫ গা পুং ৬ না সাবা চহি

(solar year) হায়বা অমগা চহি মথল ২ লৈ, মালেম সিন্না থুংনা চৎনরিবসি থাগী চহি (lunar year) অমসুং নুমিৎকী চহি (solar year) ২ অসিনি হায়বা মুন্না খঙদ্রিবা মীওইসিংনা চহি সুফাৎত্রিডেদা চৈরাউরিবসি লাল্লমগনি হায়নবা য়াওই॥ মসিগুম্বা য়াহংগা চৈরাউবা কৌবা লাইগী থৌরমগা থোইনা মরী লৈনদে॥ মতুগী মরম মখাদা পিরি :—

(১) সনামহী লাইনিংগীদি লাইগী থৌরম পুম্নমক থাবান থাবানগী অফ ফত্তা অমদি লাইথৌগী থাবান তধদা য়ুমফম লোইনা ওইবা ভাক্তনি॥ মরম অতুনা চহি অমগী থা ১২ লোইথগা ইহান হান্না হৌবা তনৌবা থাগী চহিগী (lunar year গী) থাবান অতু অহান্না থা সাজিফুগী অহৌবা থাবান নোংমা পান্নবা অতুম ওইজবনি॥ থাবানগী মতুং ইন্না লাইগী থৌরম তৌবা সনামহী লাইনিংনা থাবানগী ইহান হান্না নুমিৎতা চহিগী লাইথৌ পাংথোকপা হায়বসিদি মসানা তাজবা য়াফম্মি॥

(২) কংলৈপাক অসিদা "চৈহি" (চৈয়োল মসীংনা মপুং ওইনা পাবা নুমিৎকী চাহি) হায়বা অমগা "কুমজা" থাগী চহি মচা =থানা পানথৎলকপদগী থাসি নুমিৎফাওবনা সাবা থা ১২ অসিগী চহি অমগা ২ চৎলি॥ চৈয়োলনা পাবা, চৈয়োলনা হোৎপা চৈসীংলোন্না তাবা মহৈ : =চৈ+হৈ=চৈহৈ (চৈহি, চহি) হায়বসিদি নুমিৎ ৩৬৫ গা কংলৈ—য়ুথক ২ না সাবনি॥ মসিবু মালেম সিন্না থুংনা খঙনবা মমিংদা সোলর ইয়ার (নুমিৎকী চাহি) হায়না কৌই॥ কংলৈপাকী য়ুংকী কাংলোন্না পাবদা চহি অমুবা অসি য়ুথক (৩৬৫×৮+২)= ২৯২২ না সাই॥ চৈয়োলনা পান্নুনা লমতা থাংজা খুদিংগী সীংথেক, সীংথাবদা পুথোকলিবা চৈসীং-মহৈঃ অক্ষরনা চাহি অসি চয়োল ৫২ গা নুমিৎ ১, য়ুথক ২ না সাই॥ অসুম্না চয়োলনা পাবা চহি অতুগী কাংলোন কায়হন্দনবা "চৈথারোল কুম্পাবা", লাইরিক্তা থা থাগী অহৌবা চয়োলগী নুমিৎ মমিংবু অমত্তা কায়হন্দনা খোৎচিন্নুনা থনম্মী॥ খুদম ওইনা সজিকু নোংমা পাম্বা অসি থাংবা ওইরবদি "সচিকু থাদি

থাংজনা হুললে ॥" অসুম্না খোৎচিল্লি। ফাজিনহৌবা নুমিৎ মমিং অসিনা চৈয়োলনা চহি পাবদা মতেং পি ॥ চহি সাবদা য়ুথক ২/২ হেনখিবদুনা। য়ুথক ৮ সুরবা মতমদা য়ুথক ৮ না নোংমা ওইনরকপনা নোংমা হেন্না চহিদুদা হাপ্লগা চহি ৪/৪ খুদিংগী চাসিন্নহল্লি ॥ কাংলোন অসিবু নোংঙান পুং য়ৈবগী মতমদা সরোই খাংবা চহি, লুরাং পুং য়ৈবদা সরোইখাংবা চহি, য়াচং-পুং য়ৈবা মতমদা সরোই খাংবা কুম অমসুং নোংয়াই-পুং য়ৈবা মতমদা সারোই খাংবা কুম—৪ অসিনা হোং হোংদুনা চৎতুনা করিমত্তা সোয়নহন্দে ॥ সীংথেক সীংথা কাংলোন অসিদি থা অরোইবা লমতাদা চয়োলগী অরোইবা নুমিৎ নুমিৎ তাবা থাংজদা চহি খুদিংগী পাংথোকই।

অদুগা কুমজা (কুম + মচা) হায়রিবা থাগী চহী অসিদি মরু ওইনা লাই-তীনগী থৌরম, পুন্সিগী থৌরমদা অয়া য়াদগী, চৎথোক চৎসিনগী, ফি লৈবা—ফি তৌবা, ইংখোল কোইবা, সিনগুম-সিনগা কয়াগী য়াম্না লুবা অমনি ॥ থাবানসিং অসিদি কায়হৈদে। চহি পাবদসু নুমিৎকী চহিদগী চহি খরা খরা রাৎহৌবা অদুনা থা অমা মপুং ফারবা। মতমদা সজিফু থা অহৌবা অসিদা থারোন্নহল্লি (থা ২ পাল্লি)।। অসুম্না নুমিৎকী চহিবু কুম মচানা থা ফারক ফারকপদা তানখৎতুনা থাগী কুম মচা (lunar year) অমসুং নুমিৎকী চহি অসুবা (solar year) অনিমক পোৎ-পা সুকাই কায়নহন্দনা ঙসিফাওবা চৎলি ॥ মরম অদুনা নুমিৎ সুবা সুদবগী রাহং অসি চৈরাউবগী নুমিৎ লেপ্পদা করিমত্তা মরু ওইদে ॥

কুম্বী নাচোংথাদা চহি হৌবগী মরম চাবা ঃ—সজিফু নোংমা পাম্বা হায়বসি থারুক (Season) ৪ লৈবগী মনুংদা "কুম্বী নাচোং-থা" হায়বা ইংলিস থারুক্তা স্প্রিং-সিজন (Spring Season) হিন্দু-সিংনা বসন্ত-রিতু (সবন্ত ঋতু) হায়রিবা থারুক (ঋতু) অসিগী মনুং চল্লি ॥ কুম্বী থারুক অসিদা অহিং-নুংথিল সাংবা চপ মান্নবা (Spring Equinox) লৈ ॥ ইংলিস থা মার্চকী চৈচৎ ২১ সুবা নুমিত্তা অয়ুক নুংথিল সাংবা চপ মান্নবা, য়াম্না ইংলণ্ডদগী অয়িংবা লোইসল্লকপা, য়াম্না সাবা ওল্লাং-থারুকসু য়ৌন্নিবা অয়িং-অসা থোং চপ মান্নবা কুমলোন্নবা—লাইদাই

মুমিং অসি থোকই॥ অসিগুম্বা মতম-কুমগী অথিং অসা লোম্নবা,অহিং-মুংথিল সাংবা চপ মান্নবা, মালেম থকসিদা অনৌবা য়েনিং হুন্দুনা হৈপাল লৈপাল সাংকায়রকপা—অসিমক্তদা নোংপোক থংবা অতিয়া মকোয়দা খোংজোমনুবী কৌবা থৌরানমিচাক্কা থাবম পম্থেংগী অরাং পাংনা হাইগংলকপা মুমিংক খুমনপুং মুমিংক অতিযাগা থাদোরক্কবকপা সবকসিমক্তদা উমৈ।মুমিংনসু থাবম পম্থেংগী মকৈদগী (Tropic of Capricorn দগী) অরাং পম্থেংগী মৈক (Tropic of Cancer) তম্না হাইগংলকপগী লম্বীদা মুমিংনা তাবগা নোংপোক অতিযাদা খোংজোমনুবী কৌবা থৌরানমিচাক্কা থেংনবা মতম অসিদ মীতৈসিংনা চহি হৌবকই॥ মসি কুম্বী য়েন্নিং থাগী (বসন্ত ঋতুগী) হৌরকপা খঙননবা কংলৈপাক্তা চৎনবম্বা নোংদোল লাংবুমগী কাংলোন্নি॥ কাংলোন অসি যাম্না ফজপ্রবা, রাখল লৈনা পুথোক্লম্বা লিরবা চৎনবী অমনি॥ চৈ-রাউবগী থৌবম্না থাকক ৪ গুন গুন্দুনা চৎলিবা অসিগী থাচৎ কাংলোন্দা থুমকম ওইবগা কুম্বী-নাচোং থাককপু থাদোকপা লৈতনা কোনসিন্দুনা চৎলহসিমক য়াম্না মবম চাবনি॥

হন্দক্কী চহি হাযবদি খ্রি: ১৯৮২ দা তাবিবা চৈরাউবসমক মার্চকী চৈচৎ ২৬ তা থোক্কে॥ মার্চ চৈচৎ ২৬ তা সজিফু নোংমা পাল্লে॥ অহিং মুংথিল সাংবা চপ মান্নবা, সাবা হংবা মান্নবা নুমৎনা মার্চকী চৈচৎ ২১ নি॥ অসিগুম্বা কুম্বী-নাচোং থাকক্কী তাহনবা (spring equinox) অসিবু চৈরাউবা থোবম্না থাদোকপা লৈত্রিবাসনি॥

অসিগুম্বা মালেম যেলহৌবা থা, পুক্লিং মকা লাম্বা হেরাং-লৈবাংনা মথে লাংজবা কুম্বী-নাচোং থারুক্তা (বসন্ত ঋতুদা) চহি হৌবগী চৎনবা অসি নোংপোক্কী লৈপাক চিনাদা চাইনিজসিংসু তৌই॥ লিরবা লৈপাক চিনানা হৌজিকক্কাওবদা থারুক অসিগী মঙ্গংদগী চহি হৌবা চৎনবিবসি করিম্নু ঙকনিঙাই লৈতে॥ খ্রি: না পোকপ্রবা মতুং চহি ১০০ রোমদংগী মঙ্গংদা লৈরম্বা ইজিপ্ত লৈপাক্কী লাংবুমলোন খঙবা (নোংথোংলোন খঙবা) খংজপাসিংগী এস্ট্রোনোমর তোলেমীগী (pitoemy—about 127 A, D.) চৈচৎলোন্দসু কুম্বী-নাচোং থারুক অসিদগী অনৌবা চহি হৌই॥

মিসর লৈপাক্কদি চৈরাউবগী থৌরম অসি "তোথ" কৌদুনা চহি হৌবগী থৌরম পাংথোকই ।। মিসর লৈপাক্কী "তোথ" থৌরম অসি কুম্বী-নাচোং থারক্তা কংলৈপাক্কী চৈরাউবগা মান্ননা তে'ই ।। লিরবা লৈপাক রোমদা কুম্বী-নাচোং থারক্কী কুমহৈ তৌনরকই, মুপী মুপাগী চরাও তয়াম্মীন্নবদা কা হেনজিনমন্দুনা লিরবা মতমদা খ্রি: না পোক-ত্রিবৈদা কুমহৈ অসি সিনেৎনা থিংজিনখি ।। গ্রীস লৈপাক্কসু মুংঙাইরবা থৌরম অমা তৌরকই ।। পারস্য লৈপাক্কসু "নাউরোজ" কুমহৈ কৌদুনা কুম্বী-নাচোং থারক্কী থৌরম পাংথোকই ।। মতম অসিদা মহৌসা লাই-রেম্বীগী পুক্নিংগী ঈথক হৌহন্না কুমজীন-কুমহৈ অমদি মথম অয়াম্বদা সান্নরি ।।

অসুম্না কুম্বী-যেন্নিং থারক চংলক্লুনা অনৌবা চহি হৌরকপর "মোংকা সলংকা" কৌবা থৱানমিচাক্না তাক্লুনা মহৌসাগী খোংচৎতা লাকই ।। মীতৈসিংনা সজিফ থাজিন্দা মুনিংনা হেক তাবদা নোংপোক থংবা অতিযা মকোয়দা য়েংশৎপদা লাইপাক পেলাইগী মযাই চবুকমক্কদা "মোংকা সলংকা" কৌবা তেংবান্নগী লাংপুম সাগৎপদা যাওবিবা থৌরানমিচাক অসিনা হেক থোকপদা অনৌবা চহি হে'পে হায়বা খঙ-নবকই ।। নত্রগা অসুম্না "মোংকা সলংকা" কৌবা থৌরানমিচাক্না খুমন সিদবগী পুংফম হেক য়ৌরকপগা নোংপোক থংবা অতিয়াদা লাইপক ময়াযদা হেক মপা লাক্না উরবদি মচুগী লোন্নবা নক্লবা ধা অচুগী নোংমা পান্নদগী বুমজা কুম+মচা) হৌরবসিনা হাযনা খঙনৈ ।। মবম অদুনা সজিফগী নোংমা পান্নদা চৈরাউবা হাযবনিনা অসেংবা যেলহৌভৈগী ঈনাৎকা সংগো-ম্নরক্লবা কাংলোন্নি ।। মসিগী মুংগী ঈচেল মপান নাইদনা ফজৈ, চাওখৎ-লোন কয়াগী মিৎয়েংদসু চাংদম্নিঙাই লৈতনা, মরীক চুমই ।। সনামহী লাইনিং চৎলিবা লাইনিংলোমসিংনসু থাগী থাবান্দা লাইথৌ তৌই হায়বসি কাউথোকপা যাত্রবা অমনি ।।

---

(৪)

চৈরাউবগী লাইথোদা তোগদবা-তোরোইদবা

চৈরাউবগী থাবান (i) সজিফ্ থাগী নোংমা পাম্বা নুমিত্তা চৈরাউগনি ॥

(ii) থাগী কুম মচা'না নুমিৎবী চহি অহুববু ওনখৎকদবা চহি থোক্কুনা সজিফ থাবোম্নবদি (সজিবু অনি পাল্লবদি) অহান্নগী থাদা চৈরাউবগী লাইথো পা থোক্লোই ॥ অকোনবগী থাদা থাবান চুম্না লাইথো তৌগনি ॥

য়ুম্লাং কৈমাংবগী মরম (i) য়ুম অহুদা মা সিবা য়ুথুবাদ নত্রগা সংগী নরবা ঈ মরাদা মীসি-মীনা যাঙবদা সনমত্তা লাইনিংগী কাংলম মত্তু হুম্না য়ুম মাংলে ॥ সিবগী নতুং থুমিং ১০ নি হেক সুবগা য়ুম কেবগ থৌরম পা থোক্কান ॥ য়ুম সেংলবা তুংদা লাইচা করবা সজিফু থাগী থাবান অমদা লাইথো অসি পাংথোকপা য়াই ॥

(ii) অং পোকপদা য়ুম মা নাম্বসিদি থাযনা চৎনদমদে ॥

''***অব-অপান ফংবা***'' হায়না সিংগ নবম্নিবা অঙাং পোকপগী মতাংদদি সুম্নগী অঙাং মমা অদুত্তমক মা গনি ॥ হকচাংগী ইরিক মাঙখিবত্তবু য়ুম মাংবা কৌবগনি । অতৈদি য়ুম মাংদে, চৈরাউবগী থৌরম তৌবা য়াই, কবিমত্তা কাযদে॥ সিবতগু হকচাং-পোলাং য়ুম অমা তাইবংপান্দগী মাঙখিবগী থাবুং ১০ নি নউ পুনকপবু হনজিন্দুনা সুমিৎ ১০ নি য়ুম লাংখতনি ॥

লাইথো পাংথোকপগী মতম—(i) চৈরাউবগী থৌরম তৌবা, অথেনপোৎ কংপা, লৈতুন তম্বা, লুকলেন থাবা, খিবোই ক্ষিঙাম

হো'বা, মৈরা কৎপা পুম্নমক য়ুথক ১ দগী য়ুথক ৩ চৎপক্ষাওবগী মন্নুংদা (হৌজিক চৎনারবা ইন্দিয়ান স্তেন্দার্দ তাইমদা অযুকী পুং ৯ তাবফাওবগী মন্নুংদা) হায়রবদি মঙ্গাগী পুংফম অসেংবদা লোইহৌব। ওন্নবদি খাইদগী কৈ, খাইদগী মইহঃ চাউই ॥

(ii) অযুকী য়ুথক ৩ (পুং ৯ তাবা) ফাওবগী মন্নুংদা। ওনহৌদ্রগনা মমিৎ য়ুংদ্রিদৈ, লুরাং সিদবগী মপু যাই যৌদ্রিডৈদা কোইহৌবা য়াই ॥ হেন্দোকখ্রবদি কয়া পাডদে।।

(iii) য়াম্না চাউবা থৌবম লাওহনা লাইপাউ তাবা, লাই লৌ-থৎপনা চিংবা য়াওহনা তল-থা কৎপগা লোযননবদি মুংখিলগী ⊙ য়ুথক ৫ তাম্বফাওবগী হায়বদি মুংথিল পুং ৩ তাবফাওবগী মন্নুংদা লোইসিনগনি ॥

থৌরম তৌগদবা মী—(i) লাইনিংথৌ সনামহীবু নিংজরিবা য়ুম যুম অহুগী য়ুম্বুবেন অহনা লাইগী থৌবমসিং তৌগনি। য়ুম্বরেম্না লৈত্রবদি যুম্বুরেম্বীনা নত্রগা য়ুমনী মী অখণ্ডবা অমনা তৌগনি। তৌবতদি লাইমিং ফংদ্রিবা (লাইমিং লৌদ্রিবা) মুপা মুপীদি লাইথৌ অসি তৌবা যাদে, কাংলোন খওলবস্তু তৌবা যাদে।।

(ii) হকচাং সেংদবা মতমদা য়ুমগী কনাগুম্বী মুপী অমত্তনা লাইথৌ অসি তৌবা যাদে।। তুমল ওইনা ওইন। লাকপা মুপীসু খুকমজবদি য়াই লাইথৌ অদু মসানা পাংথোকপদি য়াদে।। মুপাসু তুমল লৌরবদি লাইথৌ তৌবা য়াদে।

(iii) তুমল লৌবা অমসু, তুমল ওইনা লাল্লিবী মুপী অনিমক থৌরম তৌহনা ফিগে সেংদোক্লবা অমসুং সাগৈগী মন্নুংদা তিন্বগী

⊙ মীতৈসিংনা য়ুথক হায়হনা চৎনবল্লিবা মতম অসি হৌজিকী পুং ৩/৩ গা মান্নে ।। নোংম্বু য়ুথক ৮ না সারম্মী ॥ য়ুথক অমমম্বু মীতৈগী পুং ৮/৮ না সারম্মী ॥ নোংমদা পুং ৬৪ লৈরম্মী ॥

থৌরম পাংথোক্নবা খুৎ চানবগী পনখৈ লাম্ভোক্লবা মতুংদদি চৈরাউবগী থৌরম পাংথোকপদা অকায়বা লৈত্রে ॥

(iv) সাগৈগী পীবা ওইরবদি, সাগৈগী লাইনিংথৌ সনামহী—খুভম য়ারিবা ওইরবদি সাগৈগী চৈরাউবা-লাইথৌ অহু তুমল লৌবা অমদি তুমল ওইনা লাক্লিবী নুপী অনিমক্তা অমত্তা তৌবা য়াদ্রে॥ পীবা ওইবস্ন য়াদ্রে ॥

(v) লাইপাউ তাবা, লাই লৌখৎপগী থৌরম য়াওরবদি মাইবা-মাইবা পেনা খোংবা চংই ॥

চৈরাউবা নুমিত্তা য়াদবা—চহিগী থাখান অহৌবা লাইনিংথৌ সনামহীবু খুরুমজবা নুমিৎ অসিদা ঈমুং মনুং থৎনচৈনবা, মরম লৈতনা য়াগৌ-থেংবা, মথৌ লৈথোকপা, ফি অমোৎপা সেংপা, ঈরুজনবা, ময়াম কাবা য়ু-গনজা-কানিনচিংবা সিজিন্নবা, ওক্রবা নুপী নুপা তিন্নবা, অকাম—অপেৎ ভাংসকপা, ফম্বী কাইথোকপা, নুপী-নুপা ঈভিন্নবা, লম্বী লমথাংদা থৎন-চৈনবা অমত্তা তৌবা য়াদে৷ নুমিৎ অসি লাইনিংথৌ সনামহীবু চেৎনা থাগোনজন্না তাইবং-পাম্বা সেম্বীরকপগী, অমম্ববু ভাম্থোকরিকপগী লাইনিং পরৈ চেৎপা ভাক্লবা অমনি ॥ নুমিৎ অসিদা লাই নিংবগী চহি অমা চুপ্পা লাই নিংজবগী মহৈং গা চপ মাননা কৎই ॥

(৫)

চৈরাউবা মমাংগী থৌরমশিং

চৈরাউবা মমাংদা চৈরাউবগী থৌরমগা থাদোক্নবা য়াত্রবা থৌরম শরা লৈপাক মীয়ামগী ওইনা পাংথোকই ॥ চৈরাউবা মমাংগী থৌরমশিংদি কন্নাই পাংথোকপা ওন্দনা মরম্না পুম্না সনা কোম্নুংগী মাইবা মাইবীশিংনা নিং-থৌগী মথাদা তৌমরকই ॥ থৌরমশিংগী মনুংদা মরু ওইবসি দি মথা-গীশিং অসিনি ॥

(i) খুনথোং লাই লাংপা

লমতা থাগী পাংজা অহান্বদা সনা কোম্নুংনা লৈপাক মীয়ামগী মঙ্গল শিন্দুনা খুনথোং লাই ৪ লাংলি ॥ কুম অমা লোইরবুনা অনৌবা কুমজাগা তাইনরিবা অরোইবা থা লমতা অসিগী মনুংদা থোকপা চৈথোল অমগী অরোয়বা নুমিৎসু ওইরিবা থাংজা অসিদা লাই ৪ লাংলিবসি চৈরাউবগী থৌরম পরেংগা মরী লৈনৈ ॥ অরী অনৌ সিন্নবগী মতম পাবা চৈসীংলোন খোত্তুনা নুমিৎ চৈচংলোন পাবা হেবসি নুমিৎ অসিদগী তৌই ॥ অনৌবা লাকদবা কুমজাগী ফত্ত হৌদি হকথি সোইনাই কয়াসু নুমিৎসিদগী সীংথাবা হৌই ॥ মরম অচুনা লৈপাককী থৌরম ভৌবা সংলেন্না খুনথোং লাই ৪ বু ঈরাৎতুনা মথৌ মতম পাঙথোক্লিবনি ।

"চৈলাউপকী মসিল" কৌবা পুয়া অসিদা খুনথোং লাংপদা চংবা পোৎচং পুন্নমকপু মথাগী অসুম্না ইরম্মী—"খুনথোং লাইকা ৪ লাং-নপতি পোৎয়াওতি—কমফি মলাক তাইবা ৪, খুতৈ ৮, থাখল ৪,

লাইয়িংথৌকী ফিরোই, কৈচোম ৪, কোকখোল ৪, নমথাং ইনফি ৪; লাইলেম্মাকী ফিলোই—তোংকা কনেক ৪, কোকসেৎ ৪, থাংসেৎ ৪, ইনফি ৪, নমথাং ৪, লেংকোনফি ৪, য়োৎ খুনেৎ ৮, সেন খুনেৎ ৮, লাংথৈ খুতাপ ৪, থাংচেৎ ৪, খোইলু থাউমৈ ২০, উচিরা ২০, উচান খুতাপ ৪, হৈ মনম চাউবা ৪ লৈসং মলোংলেন ৪, কোনয়াই পু ৮, কম্ফি ৪, খোইচু লৈথাম, রাইসেং, লফোই লকাং ২০, ধুপা ২০, মনা-নাথা ২০, চু, হৈকল, লৈকল কপোক অথুম তাহাউ, লা লাকোন ৪, থাংচৌ ৪, লৈতৌ যোৎ ৪, খুম্নু ৪, কৌতাং সংপাই ৪, থুম কাকুপ ৪, লিকোল ৪, ঙাবি ঙাতাং, ঙাখা মৈতাংবী উতোং ৪, যাম উতোং ৪, হৈপী মনা সিংজু, কপোক অফাপা, যোংসাপি ৪, থাপৈ ৪, চেকপ ৪, ঙাংখা ৪, লা লাতোন ৪, নাহাইফু ৪, সনেং ৪, ঙাতেন ৪, ঙানোই ৪, ঙমু ২০, থাউথুমথাই ৪, চেং উতোং ২০, থুম ৪, সিংপাক ৪, মরোই মোবোক, সেলকৎ ৮, তাইরেন পু খাই অসিনে ॥”

(ii) *চৈরাউবা-সীংসংপগী থৌরম*

লমতাগী থাসি মুমিৎ চৈরাউবা হৌবেংনি হায়বসিদা মাইবা ৬/৭ না চংলগা খুমন সিদবগী পুংকম চংলকপা নোংমগী অরোইবা সরুক হৌরকপদা হৈবোক চীংগী লাইকম মুংপাক খুভমদা পোৎচৈ পুন্নমক থাহনা থৌনিরুই ॥ হৈবোক লাইকমগী *“সামু মানবী”* খুভমদনা ফিরোই অমুবা ১ হৈ-রাগা লোইননা থাগনি ॥

সীংসংপগী থৌনিদা চংগদবা পোৎশমদি *“চৈরাউপকী মসিল”* কৌবা পুয়ানা তাকপা মতুং ইন্না মথাগীসিং অসিনি—লাইনিংথৌগী ফিরোই

অমুবা ১, লাইরেম্মগী ফিরোই অমুবা ১, থাখল ২, ফমফি মরাক তাইবা ২, ফিরাক ৪, য়োং খূনেং ৪, সেন খুনেং ৮, লাংথলৈ খুদাপ ১, হৈমনম নাইবা ২, লৈসং মলোং ২, কোনয়াই পু ২, নাহাইফ্ ১, চেংপাক উতোং ১৫, কবোক অথিংবা উতোং ১৫, লকোই লকাং ৫, কুব়া ৫, মনা ৫, হৈকল লৈকল, চু, কবোক অথুম অহাউ, সংগ খোম, চুহি লী ১, লা লাপুন ২, উচান খুদাপ ১, খোইরু থাউমৈ ১০, উচিরা ১০, ফিরাল ২, কমবি ১, খোইজু লৈশাম, রাহসেং, লাইগী অকংসেন—অসিনি ॥

সীংসংপগী থৌবম অসিদা থৌনিংদৌবিবা মী মা অতুগী মপা ওইরগা যেৎকী খুবী-রায় অমা সাংনা সীংনাং ১ ককনি মপা ওইবগা ওইগী খুবী-রায় সাংবা সীংনা ১ ককনি অতুগা। মী মীতুগী মনিং সাং- নাংতুদা ইবগা ফি তহন্নদা যোমতুনা লহিনা। পুম্নগা তপবনি॥ লৈ- পাক্কী ওইনা পুম্না ইরগা থৌনিবদা কাবস্ত তংবা লৈতে। লৈপাক্কুগী মকোক্কা মীযামগী মরুং তিন্দনা থৌনিংবস্ত যাই ॥

থৌরম অসি লমতা থাংজা অহাবদগী থাজা ৩ সুবফাংবগী মতুংদা খোইযুম লাইকপা সীংথেক সাংথাবদা যাওখিবা মাসিংবু নাহন- বিগমু সিহনবিগমু হাযনা সীংথাবদগী সংতোকপিতৌনবগী থৌনি অমনি।।

সীংসংপা লোইবগা চৈবাউবা নুমিৎ্তা থৌবম তেকবা মাইবসিংতুনা মী মীতুদা মসা মসাগী সীনাংগী চৈ অতু খুৎসিন্নৈ।। চহি অতুমগী য়াইফবা হাযবতু ওইননবা সীংসংপগী নোংতাম্বা চৈবাউবগী অযুক্তা চফু অহুম্বা অমদা ঈসিং থন্না হাপ্লগা কোনয়াই পু ১ থাতুনা হৈরম লৈরম কত্তুনা লৈপবেং অঙৌবা ১ য়াওনা পামজবা মীসিংতুনা চহিগী উসিল তম্মী ॥ সীংসংপগী থৌবমদদি খিং খিং তিদববু ***"খিং খিং সীং- সংলোন"*** সোন্দুনা লৈপাক্কীদমক, নিংথৌগীদমক, যোইবু য়োইহেন- সিংগীদমক সীংসংনবকই ॥

(iii) ঈরম ৭ তগী ঈরান্নবা থৌরম

চহিহুমগী অনম অথৌ কৌক্লবা, তিনথুং লাইথুং কোক্লবা, য়াইফবা ওইননবা ঈরম ৭ ঈরাল্লগা চৈরাউবগী অয়ুক্তা ঈতিন্নরগা ঈরু সাদেংবা ওমজদবদি চহিহুমা খুয়া তুসিংনা পাল্লি হায়দুনা ঈরাদগী থৌরম অসি চৈরাউবা নোংমা রাংকপিংদা পাংথোররম্মী ॥ "মসিল সীংতক সীংসং" কৌবা পুয়না তাকপা মতুং ইন্না ঈরম অমমমদা তোঙান তোঙান্না চংবা পোৎলমদি—কোনয়াই পু ১, লফোই লফাং ১, কুরা ১, মনা ১, হৈ মনম নাইবা ১, লৈসং মবোং ১, কবোক অথুম অহাউ, চক্ অহম্বা ১, থিচুম খুদৈ ১, অকৎসেন ১, লা, খুদা ১—অসিনি ॥ পোৎলম অসি থাড়না নোংমা রাংকপিংদা, লমতাগী থাসিদা মফম ৭ তা চংতুনা লাংথোক্লমগনি ॥ চৈরাউবগী অয়ুক্তা চংতুনা ঈসিং মরম ৭ অক্ সোরগনি ॥ ঈরানফম ৭ অদুদি—(১) খা থোং (২) লাইথোং (৩) মাল থোং (মরোংখোংম্ব কৌনবা) (৪) ⊙ লাংকোল (৫)* পুনাসি থোং (৬) ‡ তাকন খা হমসুং (৭) নুজেং ঈকোন— অসিনি ॥

চৈরাউবা মমাংগী মক ওইবা থৌরমদি মথক্কী অদুম অসিনি ॥ মসিগী মতুংদ অকোনবগী ঈরাম্বা অমদি ঈক সাদেংবগী থৌরম অসিদি মী অয়াম্বনা খুৎপু মচা মচা সেম্লগা লম খায়দোক্লরগা পাংথোকনিন্নবা য়াবা অমনি ॥

⊙ লাংকোল পুক্লিরোক্তা ঈতারিবা ঈসিংদ্রনি ॥

* মখ্রি পুক্লিবগী ঈকোম্বু (পুখ্রিবু) খঙনগনি ॥

‡ তাক্লখা হায়বদি পুরুকসোবী ঈকোম্বু খঙনগনি, অদিবা পুয়াসিংদা পুরুকসোবীবু তাক্লখা হায়না সীংথারম্মী ॥

(৬)

য়ুম য়ুমদা পাংথোক্লবা থোরম

সনামহী লাইনিংবু চংলিবা ঈমুং পুন্নমক্কী সম্ভোং থংবা য়ুমগী কাদা লাইনিংথৌগী খুভম যাগনি॥ মখম ভাসনা লাইনিংথৌ সনামহীবু য়ুমলাই হায়নস্থু কৌনরিবনি॥ মীওইবগী হকচাং কয়াৎ "কাং" অসিদা লাইনিংথৌনা লৈংই হায়বগী "সনামহী কাংদোংবা" হায়না চিংউংলোন্না সীংথানবনি॥ তাইবংগী হকচাংদা বু থৌরাং চংলা হায়বগী লাইনিংথৌবু "থৌরাই" হায়নস্থু কৌই॥ অদুগুম্না হকচাং মন্থুংদা লাইনিংথৌনা থৌরাং ওইনা পাংদোংবা অদুগী মুংগী বা লোন্নবু পান্দা পুথোক্লগা ভাইবং হকচাং তম্না লাইনিংলোয়সিংনা মসা মসাগী য়ুম সাই—য়ুম অদুগী মন্থুংদা সম্ভোং কাদা থৌরাংগী মসক ওইনা লাইনিংথৌগী খুভম যাই॥ অদুগুম্না তাইবংপান্না সেম্বীরিবা লাইনিংথৌ সনামহীনা লৈবিবা য়ুম পুন্নমক্কা মন্থুং অমসুং মপান্দা চইগী অনৌবা থাবান চৌবনা কোকথোক চামখোকপগী লাইথৌ পাংথোক-হৌগনি॥ চহি অমগী থৌরম ওইবনা পুক্নি চংনা তৌগনি। থৌরমসিং অদু মথাদা পিরি॥

(i) সেংদোক চামথোকপকী থৌরম·

চৈরাউবা হুমিংকী ইহান হান্না য়ুমগী তৌগদবা থৌরমশি—য়ুম চৈ সেংদোকপা. হুমাং-থেম্লোং, ঈনংা—ঈনখুন, রাপাক, কোম্লোংলক্তিংবা

তরু তনান্না সেংদোকপা—ফিরোন, ফম্নুংগী কাংখলনচিংবা কি অত্তৈ ক্ষুদোক চামথোকপা—গখুন্নগী চকু, ঈরাল, খাবৈ, ফেপ্নচিংবা সেং-দোকপা—য়ুমগী লৈমায় পুম্নমক ঈসিং অসেংবনা মুরা অহম্বা সেমহুনা রাই তৈথোকপা অসিনি॥ সনামহী লাইনিংদা চৈরাউবা অসি লু হেম্বা সিংতোক চামথোকপগী পুক্তিরোন অনৌবা হৌবা হুম্বিংনি॥

ঈমুং সেংদোকপগী থবক অয়াম্বা চৈরাউবা মমাংদা লোইসিনহৌবা য়াই॥ লাইগী লাইরুবারুচিংবা সেংদোকপদি চৈরাউবগী অমুক্তা তৌগনি॥ লাইনিংথৌ সনামহীগী লাইরুবাক (উতং পয়ানা থেক্তুনা সাবা লুবাক) সেংদোকপদা হুমিৎকী মণ্ডালনা য়ৈবা য়াদে, লাইরুবাক অহু লৈপাক্তা তাবস্থ যাদে, ফত্ত হৌদি সন্নহম্বা য়াদে॥ লাইরুবারুা লৈমায়দা সোক-প্রবদি লাই "লৈথা তাবা" কৌই নে না অমুক লাই থেমগত্তবা য়াদ্রে॥ লৈমরেনগী ঈসাইফু সেংদোকপস্ন চেকসিন থৌরাং অসি চপ মান্নানা তৌগনি॥ হান্নানা থাঙ্গৎফম কাংথক অমা সাহুনা থমগদবনি॥

অনৌবা লাইনিংথৌ লাইরেম্মগী ফিরোই হোংলোইদবা ওইয়বদি হান্নগী ফিরোই অস্থবা অহু মফম থওনা য়েৎনহন্দনা ঈসিং অসেংবদা নিংথিনা তুমথোকনি॥ ফিসিং অসি হুমিৎকী মণ্ডাল থেংনহম্বা য়াদে, উরুমদা ফৌগদবনি, লৈথা তাহবস্থ য়াদে॥

কোম্বোংগী রাংমদা লাই অহুমগী চাকলুক থানবা নিংথিনা সিত্তোক ফান্দোক্তুনা রাই তৈথোক্লবা মকম অমা সেমগনি॥ রাখোং মত্তা চাবা অমদা ঈমুং মন্নুংগী মীথিং শুনলবা লংহিং ফি মতেক অময়ম থাননবা মকম সেংদোক্তুনা রাই তৈথোক্লগা থমগনি॥ কৌস্থখোং সিংগৈ, সিন্নাইকম, লাইরিক-সং, খুৎলাই থমকম্নচিংবা নিংথিনা সেংদোক্তুনা লুক মচা মচা থাকম সেমদোক্তুনা থমগনি॥

(ii) লাইনিংথৌ সনামহী অমসুং লাইনিংথৌ অশংবা অপানবীগী ফিরোই হোংবা

চৈরাউবা হুমিংকী লাইকবাক সেংদোকপা লোইরগা লাইনিংথৌ অমসুং ... সনথোং অপানবীগী ফিরোই হোংগনি ॥ লাইনিং ... ফিরোইদি—(১) কৈজোম ১ (২) কোকরেং (৩) ইনফি ১ ... ১ (২) ইনফি ১, (৩) খাংচেং ১ (৪) লেংকোমফি ১ (৫) ... ১ অসিনি ॥ সনথোং অপানবীগী ফিরোইদি—(১) (২) ... ১ অসিনি ॥ অপুম্বগী ওইনা—(১) খাখল ১ (২) ... অরাক তাইবা ১ ফিরোই হোংবদা হাংগনি ॥

(iii) লাইনিংথৌগী লাইমংন্দা থাগদবা হৈকং-লৈকং

সংগোং অপাম্বা লাইনিংথৌ সনামহীগী চৈরাউবা হুমিং অসিদা ... হৈকং লৈকংদি—(১) লফোই লফাং ২ (২) কুরা মনা ২ (৩) চু (৪) অকংসেল (৫) হৈচিং খরাই অথেনপোৎ ১ (৬) খুদ কাকুপ ১ (৭) থাউ উতোং ১ (৮) চেং উত্তোং ১ (৯) লাংথরৈ (১০) লৈরী (১১) [ক] কুম্থৈ (কুম্থৈ) অসিদা ... মাইতৈ ওমু কত্তুনা খুদম চাংনা য়েংনবা পাথে ওইনৈ ॥ লাইনিংথৌবু সেংনা নিংজবসিংনাদি হৈকং লৈকং সেংনা ... খুদম চাংদম য়েংবগী মতাং অসিমদি ককথৎকনবনি ॥ মসি মী মী অহুগী পাম্জবগী মতুং ইন্না ॥

[ক] অহৌবা কুমনা মতম ... অনৌবা কুমজানা ... লাকপদা ... খাদা লাংপা লৈনি হায়দুনা কুম + থ + লৈ = কুমথৈ ... অমম অসিদা কুমদা তাইনবদা পাংথোকপা চৈরাউবা ... হায়নরিবনি ॥

(১২) [১১] মৈরা কুম্পীবৈ (কোইরৈ) (১৩) চৈরেংখোল, (১৪) লৈসাং খরৌং ১ (১৫) সিং (১৬) খোইরুক থাউবে (১৭) হৈয়ম ৭ লৈসাং ৭ (১৮) ৮ অসিনি ॥

(iv) লৈমরেন ঈসাইকুগী থৌরম

লৈমরেন সিদবী ঈসাগী ঈসাইকু লাংকমদা তমগদবা ফিরোইশিং—(১) ঘনেক ১ (২) ইনফি ১ (৩) খাংচেৎ ১ (৪) নমথাং ১ অসিনি ॥ লৈমরেনগী ফিরোই অসিনা ঈসাইকুদা খ্বাংলাক্না সেৎকনি, খাংচেৎ লাকনি অমুগা ইনফি-নমথাংগী ঈসাইকু মঙক্না কোনগনি ॥

হৈকৎ লৈকৎতি—(১) লফোই লফাং ১ (২) কুয়া মনা ১ (৩) চ (৪) তাকৎসেল (৫) তাথেনপোৎ (১৬) খুম (৭) থাউ উতোং ১ (৮) চেং উতোং ১ [৯] লাংথৈ [১০] লৈরী [১১] কুমহৈ [১২] কুম্পীবৈ [১৩] চোমলাংলৈ [১৪] লৈসাং [১৫] হৈয়ম ৭ অসিনি ॥

<u>হেংসিনগদবা</u> ঃ—লাইনিংথৌগীসু লৈমরেনগীসু পোৎলম অমা ওমগদ্রি থরি লফোই লফাং, তাকৎসেল, তাথেনপোৎ, লৈথম ৭ অসি যাওবগা চৈরাউ-লৈসিং অহিংগা লোংনা, তমগা লাংথৈবা লৈতম অকুম তম্বা থাই ॥

[৩] ..... কুমহা থৌগৎলাকপদা সাংলা লৈরি হায়রক্না কুম্পীবা ... কুম্পীবৈ হায়বগী কোইরৈ হায়না হৈজুরকপনি ॥

(v) ঈমোইবু ঈমাগী ফিরোই তম্বা

সনা কোম্মংগী মাইবীনা পাখংবগী ফিরোই ফিভাম হোংবা অমদা ঈমোইবু ঈমাগী ফিরোই অম্মবু ১ কাইদনা তম্নরকই।। মমগী খোঙম তৌবদা ফুঙ্গা লাইরুদা ঈমা ঈমোইবুগী খুত্তম য়াজবা ঈমুংদদি চৈরাউবা নুমিৎ অসিদা—(১) ফনেক ১ (২) ইনফি ১ (৩) খাংচেৎ ১ (৪) নমখাং ১ অসিনা ঈমাগী ফিরোই তমগনি।।

vi) কোন্থোংদা চাকলুক ৩ থাবা

লাইনিংথৌ সনামহীনা হুকচাংদা চংদুনা সনামহী-কাংদোংদুনা লৈববু "অচংবা" "অহিংবা" কৌই।। অদুগুম্বা অচংবনা লৈরিবা মুম অদুবু কোন্দুনা লৈরিবা লাইনিংথৌনা মপান থোক্না ডাক্নুনা লৈ হায়দুনা "ঈম-কোন" হায়না কৌই।। অস্নুম্বা সনামহী লাইনিংথৌনা কোনবিরিবা মফম অসিগী থোংবু কোন+থোং=কোনথোং হায়না খঙনবতনি।। থোং অসি কানথোক্লগা লৈরিবা মফমুনা থোং+কাল=থোংগাল হায়বতনি।। লাইনিংথৌনা কোল্লিবা মফম অসিগী রাংমদা লমলাইসিংবু থমগনি। মফম পুবা মতম্ম পুবা লমলাইসিংগী চাকথাক কোনথোং রাংমদা চহীগী ওইনা তমথোকনি।।

চৈরাউবা নুমিত্তা থোং-থাক্লিবা সংলৌ মথেল লুকোয়সুনবা হাপ্লগা কোনথোং রাংমদা চাকলুক ৩ হায়না সেমদুনা লৈরিবদুদা থাগনি।। (১) চাকলুক ওই থংবা অদুনা ***হকুম চৈরাউখিবা নুমিৎ*** অদুগী-নি, (২) চাকলুক ময়ায় থংবা অদুনা মথং চহি ***নোংমগী চৈরাউ-বা নুমিৎ*** অদুগীনি, অরোইবগী (৩) য়েৎ ইথং থংবা চাকলুক অদুনা ***কুমসি চৈরাউরিবা নুমিৎ*** অদুগীনি।।

কোম্না খুলহৌগদবা (১) ***হুন্ কোকচাও*** (২) ***হুন্ লৈথম*** অমসুং (৩) ***খুন্জাহুম্বা*** কৌবা লম লাই ৩ অসিগী হান্না সেংদোক্লমগে হায়রবদি লুকখা তমগদৌরিবা মী অদুনা চাকলুক ৩ অদুগী থজিক থজিক কোইদুনা লৌরগা থাদোকনি।। মতুংদা চালুক ৩ অদু য়েৎলোমদগী

হৌদুনা মথং মথং থাগনি ॥ থাবিবা চৈবাউবা ও চাকলুক ও অসিবু (১) —*লম্মাবা তুমাবা* [২] *লমসেনবা তুসেনবা* অমসুং [৩] *কুম সনা কুমলোক্লাই* কৌবা লমলাই ও অসিনা খুনগনি ॥ থৌরম অসিবু লমলাইগী চাকথা তম্থা হাবনা সনামহী লাইনিংদা চৎনবকই ॥

চহি অমগী থাবান অহৌবদা লমলাইসিং অসি চাকথা তমগ্রবদি হকথি সোইনাই, খুবৌ থাংবা অমত্তা লমলাইসিংনা পিববোইদবনি হাযদুনা য়াম্না চেকসিন্না পৌবম অসি তৌনবকই ॥

(vii) *রাখোঙ্দা তৌগদবা থৌরম*

লম্মাবা তুমাবা, লমসেনবা তুসেনবা, কুম সনা কুমলিক্লাই ও গী থৌবম লোইবগা রাখোঙদা চহি শুদনগী কন্ত তৌদি হেনজিন্নক্লনবা থৌবম তৌগনি ॥ ঈমুং অদুগী মীসী, সুনবা লংহিং খুদে মচেৎ মচেং লাঙলগা অকংসেল মচা অমমম হাপ্পুনা হৈকক পানা যাংনা লাংথোকপা অসিদা থাগনি ॥

মসিগী রাগী অমা *"পোংপেমমলোন"* কৌবা লাযয়েং কাংলোন অমদি ফন্তৌদি কোক্লবগী মবমদা ইবা পুযা অসিদা তোপ্পা যাওরি ॥ *"পোংসেমমলোন"* কৌবা পুযাগী রাবী মতুং ইন্না— তাইবং মীগী অরা-অনা অসিদি কনানা ভাকহনসিগে হাযনা খন্নরকপদা কোংযাং মাবু ভাকহন্নসি পেপনবে ॥ কোংযাং মানদি উমজরোই হাবদুনা যাত্রবদা লাইনিংথৌ ও না কোংযাং নংদি লাইবুস্র ওযনি, মুংঙাইবা হাযবতসু ওইবনি মশম অদুনা তাইবং মীগী অরাবা অসি মতেক অমমমতংদি (চহি অমমমতংদি) ভাক্লবা য়াদে হায়দুনা মমিংবু অরাবা ভাকই হায়বগী *"কোংয়াং=রা"* হাযনা কোলোয মিংথোলবদা য়ানথি ॥ রারী অসিগী মতুং ইন্না তাইবংমীনা কোংয়াংবু

"ব্রা" হায়না অরাবা ভাকলিগনি হায়বা কাউদনবা থঙনখি॥ মরম অসিদগী চৈরাউবা হুমিত্তা ব্রা মতা চাবা অমদা লংহিং খুসৈ কৎনা থৌনিরবদি চহি অহুমগী অরা-অনা, তিনমু-লাইমু ফত্তবা তানত্তা চংলকপা ঙমদে॥

ব্রায়েন অমা লৈবা মরমনা মতাং পাম্বা ব্রানা ব্রাচেৎ খায়তুনা সংবল খিংবা, উযুংঙৈ য়ুংবা, পয়া সিতুনা পুনবা অসি লানসিন্দুনা লাইতিল ফত্তবনা চংলকপা ঙমদে॥ চংলবস্থ কোনথোং হাংদোক্লিঙৈতদা ঙম্বনি হায়তুনা লাই তিনগী মরমদা য়াম্না থঙবা অহনসিংনা হায়নরিবসি ব্রায়েন অসি লৈবননি॥

ব্রাথোংদা পাংথোকপা থৌবম অসিদা হায়গদবা ব্রারোল অর্থাদ *"পোংসেমলোন"* কৌবা পুথাদা ইবম্বা মতুং ইন্না মথাগী অসিনি—

"হে ঈনাও ব্রা—ও, নংহাকনা মফম অসিদগী কৎতা-হৌদি হেনহনবিগন, কোকপিমু॥"

মথক্কী ব্রারোল অসি হায়বগা থাং অমনা ব্রাথোংলোমদগী লৈয়ি ৭ মথং মথং চিংবনা ঈসাদা লোইসিনগনি॥ লৈয়ি ৭ অসি হেক চিংবা লোইবগা তুং হন্না যেংশমদনা ঈমুংদা চংলকনি॥ অমুম তৌরবদি ব্রায়ল অমগী মতুং ইন্না ফত্ত-হৌদি, অরা-অনা অমত্তা তাইবং মীগী মসাগা হকথেংননা চংলকপা ঙমদে হাযতুনা চৈরাউবা খুদিংগী কায়হন্দনা তৌনরকই॥ ঈনাং পয়মক চহি ২৫০ ব্রোম মমসিল্লুবদগী কাংলোনসিং অসি হৌজিক কনানস্থ মপুং ফানা তৌবা উনরক্কবনি॥

(viii) মুম-ঈমাকোন (মুম-ঈংথাল) মনুংগী চাকথাকমসিং

শাক-চাউরবা তেংবাঘা অসিগী মচাক মরল পুম্নমক তাইবং মীগী হকচাংবা লৈ॥ মরম অসিদগী তেংবাম্বগী মওংবু পিকসিল্লগা তাইবং মীনা লেম্মী॥ তেংবাম্বগী হকচাং কয়াংনা লাংপুম অমা ওইনা লেম্মী,

তেংবানবগী লাংপুম লেপ্লিবা করাং-মকম ১৮ অমুদি "*ঙাকোকাঙ্লোন থিলেল সলাই অম্নাইলোন পুকোক*" কৌবা ঈয়েক ১৮ অমা ইরম্বা পুয়া অসিগী মতুং ইন্না মথাগী অসিনি—

ঈপুংলোন		খুন্নুংলোন
(১)	কামপী	মৈ
(২)	লাইচা	ঈসিং
(৩)	মালংপা	হুংসিং
(৪)	মালেম	লৈপাক
(৫)	নোংথৌ	অতিয়া
(৬)	ঈহিলেল	থাচা
(৭)	থৌরাইমিচাক অপকপা	থৌরাইমিচাক পি মলিক নিংথৌ সিতপা চায়োম ৭
(৮)	কোইলৌ মুমিং	মুমিং
(৯)	সজিকমু	সচিক
(১০)	থাপাতোন	থাপা
(১১)	খোমচোম	মুপী
(১২)	সচুং	তিলহৈপা
(১৩)	মোংকা	
(১৪)	ওকপুলোই	অউহুইলেং
(১৫)	লৈচিল	নোংকাই
(১৬)	চুমথাং	চুমথাং
(১৭)	নোংথাং কুপ্পা	নোংথাং কুপ্পা
(১৮)	নোংথৌ খোংপা	নোংথৌ খোংপা

তেংবানবগী লাংপুম অসি হুন্না তিঙ্লিবা অাইবং মীওইবগী হকচাংদগী থাথোন অসি কারলনা কোক, সম, লাই; খিৎ, পাচ, না; চীনচ

তীল, খো; ঙো, থো, রাই; য়াং, হুক, উন; ঈ, ফম, অতিয়া—কয়াং ১৮ অসিনা হুকচাংগী লাংপুম ওই। অসিগুম্বা তাইবং হুকচাংবু মিং তমজুনা, হুকচাং লাংপুমলোনগী কাংলোন পুম্নমক হাপ্পুনা সারিবা সনামহী লাইনিং চৎপসিংগী য়ুম অসিগী মসাদসু কয়াৎ ১৮ দা উকম ওই। ঈমকোন (ঈংখোল) অসিসু ময়াই কংলা (সোম্নপুং) আসনা খোহদো ওইরগা কয়াৎ ১৮ লেপ্পী। হায়রিবা য়ুমগী কয়াৎ মফম ১৮ অমাদ ঈমকোনগী কয়াৎ ১৮ পুম্না ৩৬ অসিদা চৈরাউবগী চাক থাবা য়েলহোৎৈদগী চৎনরকই। সনামহী লাইনিংনা লা মচেৎ মচেৎ সেৎলগা মফম কয়াৎ মফম চৈরাউবদা চাক থানরিবসি কাংলোন অমা মুংগী ইচেলদা লৈবসিননি।

ঈমকোন (ইংখোল) মনুংগী চাকথাফমসিং :—

(১) কোৎ (ফৌওইবীনা লৈ)
(২) সাংগৈ (কৈরুংবনা লৈ)
(৩) ফৌসুখোং সুম্বল (মীসুম্ফম লৈ)
(৪) সিন্নাইসং (সিন্লেমানা লৈ)
(৬) রাখোং (রায়েন লৈ)
(৭) লুখাক কোম (খাউবুনাইনা লৈ)
(৮) অমাং সং (তুবী পাখংবা লৈ, থাসিদা চাক্তাই)
(৯) ঈকোন (ঈরাই লৈমানা লৈ)
(১০) পোলাংখোক (থৌরাইংমি কন্মী)
(১১) ঈমকোন—চিংখৈ (চিংখৈ অপান্বনা ভাকই)
(১২) ঈমকোন—মৈরম (থানা চাউবা রাংবরেম্না ভাকই)
(১৩) ঈমকোন—সনখোং (থাংজিংনা ভাকই)
(১৪) ঈমকোন—লাইচি (কৌবরুনা ভাকই)
(১৫) সনগোন (সন্থুহম্বা লৈ)
(১৬) ঈমকোন কোইফম (ঈংখোল-লাইনা লৈ)

(১৭) মন্নায় কংলা (ঈবুধৌ পাখংবা লৈ)
(১৮) খুৎলাইসং—(মহৈ লাইবেন্বী লৈ)

ম্নুম মনুংগী চাকথাকমসিং :—

(১) সাইজুম ভাফম (যেনখা পাউদাবা, সাইগং পোলিবা লৈ)
(২) থোংজাউল (থোংজারেন লৈ)
(৩) লমইনকা [লৈমবেন সিদবী লৈ]
(৪) ফুংগা লাইক—খাখংবা (কাজাউ খোম্বা সনামহী লৈ)
(৫) ফুংগা লাইক—অন্নাং থংবা (ফুংগা অপোকপা লৈ)
(৬) ফুংগা লাইক—মযাই থংবা (সনামহী অচিবা লৈ)
(৭) ফুংগা লাইক-মনিং (ঈমোইনু অহোংবী লৈ)
(৮) লুখুম—কা (তুবা সনামহী লৈ)
(৯) ক্ষমলেন যম্মাং (ফুছিং সনা পীবাবেন লৈ)
(১০) খুবা (মহীবেন লৈ)
(১১) সনখোং (সম্বোং অপাম্বা—অপাম্বী লৈ)
(১২) সনথোং মাঙ (তাংখুল সনামহী লৈ)
(১৩) মেন উবেপ (সলাইলেন্না যাথোকই)
(১৪) মেন উবেপ পাবা (লৈমবেন্না য়াথোকই)
(১৫) চেংফু (চনিং হনজিনকম লৈ)
(১৬) ছোদোং চাকথাকম (পাউবুনাই লৈ)
(১৭) চেংহি চফু (যুমলৈমা ক্ষগই)
(১৮) মুবা-মুমসিং থমকম (অসৈ ৎম্ম-অখোমম্ম লৈ)

খঙজিনগদবা :—মথক্কা চাকথাকমসিং অসি ম্নুনবা লৈতবা ঈমুং মনুং অমম্নুং ঈমকোন মনুংদদি মকম ১০/১০ দং থাত্তনা চাক থাবগী লাইথৌ লোইবা য়াই॥ অতাই ফদবা মতম অমম্নুং য়াম্না চিনগ্রবা মকমদদি ঈমকোনগী মন্নাই কংলা [সোন্নপুং অমদি যুম মনুংগী ফুংগা লাইকদা মুপ্না

থারগা লোইসিনগনি॥ পুক্লিংনা খোইদৌ ওইরিবা ময়ায় কংলা অমদি ফংগা লাইরুবু পুম্নমক্কী তিনফম্নি হায়না নিংসিংজগনি॥

৩৬ মক শুনবা থারিবা ঈমুং মনুংচুগীদি মতম চদনবা মথেল লুকোয মযাম অদু থরা থবা লৌদুনা কোন অমদা পুল্লপ হাপ্লগা চাক য়েনসাং পুম্না তোংথাবগা লা তাংগা ৩৬ নত্রা লা মচেৎ ৩৬ তোংন-তিন্নরবা চাক যেনসাং অদু থবা থবা খুংনা লৌবগা থাগনি॥ অসুম্না চাকথা তম্নবদি মতম চংদে॥

(IX) লাইথোগীদমক মাইবা নেকপা

চৈবাউবগী থৌরম অসি কাংলোন খণ্ডবদগী মাইবা নেক্কে হায়ব-বদি মাইবা ৭ কা মনুংদগী মাইবা মথল ২ দি লাইথো তৌবা য়াদে॥ মাইবা মথল ৭ অদুগী মমিংদি—[১]কোলদে নাকথং মাই [২] নোংচুপ হাউলোং মাই [৩] সলথোং রাপু মাই [৪] পনম যাংকোক মাই [৫] থিংকোল মলীং মাই [৬] যোইনৌ লাংপোক মাই অমসুং (৭) খুযোল খুলা-মাই অসিনি॥ মাইবা ৭ অসিগী মনু দগী [৩] সুবা সলথোং রাপু মাইবা অমসুং [৭] সুবা খুয়োল খুলা মাইবা ২ অসিদি চৈবাউবগী লাইথো অমত্তা তৌবা য়াদে॥ লেমহৌবিবা ৫ অসিদি য়াই॥ নেকপা তাববদি অথঙ অহৈদা কুপ্পা হংবগী মথৌ তাই॥

(৭)

চৈরাউবগী লৈহুন—কাংলোন

চৈরাউবা মুমিৎকী লাইথৌসিংগী মনুংদা "লৈহুন-তম্বা" অসিনা খাইদগী লুই ।। লৈহুন-তম্বগী কাংলোন পুম্নমক লাংথরৈ মপোপ্না তৌ-গনি ।। লৈহুন অসি লাইনিংথৌ-লাইরেম্মগী, সলাইলেন সিদবগী, লাইপুংথৌ ৭ কা, লাইমুরা ৭ কী, নাউদাগী, ফানথোং ৪ গী, লৈম-বেনগী হায়হুনা লৈহুন-মরোল অমুক লৈরি ।। মপুংদি লাইনিংথৌ লাইরুবাক মমাংদা অমমুং মঙুংদা হুল্লিবা লাংথরৈ মপোপকী লৈহুন অসিনি ।। লেমবেনগী লৈহুনদি ঈসাইফু মনুং য়োদে ।।

(।) লৈহুন তমগদোরিবা ফম্বাল করমনা সাগনি

লাইনিংথৌগী ফম্বালদি য়ুমগী সনথোং পাংবদা সাগনি ।। উতংগী রানা মখোঙ ৪ সু, মফৈসু, মযুংসু ওইগনি ।। উতং পয়ানা পুনগনি।। অসুম্না মখোঙ ৪ য়ুংহুনা সাব্রবা ফম্বাল অসিগী মথক্তা উতং পয়ানা সাবা লাইরুবাক মখুম পাথা অমা লুবাকী মথাথংবা চৈ মরুং অহুগা ফম্বালগী ফমথক অহুগা উতংগী পযানা পুনসিন্নহুনা মফম লেংহন্দনা থমগনি।। লাই লোইসিনবদা লুবাক মনুং অসিদা লৈহুন তমগনি ।।

লৈমরেনগীসু চপ মান্নবা লমইনকাদা সাগনি ।। মখোঙ-মকৈ য়াম্না লিংহনগনি ।। ঈসাইফু ঈসিং থন্না য়াওবা অমা থম্নবা উতং পয়াগী ফৈ অমা চেংনা তাহুনা ফম্বাল মথক্তা লেংহন্দনা লুবাকী অহুগুম্না থমগনি ।। ফম্বাল অহুগী মথাদা লৈথোম অপেৎপনা তাসিন্দুনা মতোন হুইথবা পুং মচা অমা থোমগনি, মখুল ও হুৎকনি ।।

অরাংবা—(ক) লাইনিংথোগী ফম্বালদি য়ুম অতগী য়ুম্বুরেন অতগী
খুৎ য়েৎকী পাদম রায—অচৌবা অমা র'ংগনি ॥

(খ) লাইনিংথৌগী ফম্বালগী অরাংবসি য়েৎ থংবা খুবী—রাযগী অসিনস্থ ওইনৈ ॥ অছুবু লৈমরেনগী পাদমদা মঙ্গী মতু. ইন্না খুবী-রায় ওই লাক্কদবা মরম্না অয়াম্বনা চৎনখিদে ॥

(গ) লৈমরেনগী ফম্বাল অসিনা য়ুম্বুরেনগী য়েৎ থ বা খুৎকা পাদম রায় মচা অমা রাংগনি ॥

(ঘ) লৈমরেন ফম্বালগী অরাংবসি খুবী-রায় ওই থংবদগী লোৎনা চৎনবস্থ য়াই ॥ অছুবু ওইগী খুত্তদগী পাদম লৌবা অযাম্বনা চৎনখিদবদগী য়েৎকী-রায় মচা ওইনা চৎনরকই ॥

য়েংসিনগদবা ঃ—ক) খুবী-রায় হায়বা অসিনা খুত্তুম তাসিল্লগা খুবী তিংথৎতুনা লৌবা পাদম অসিনি ॥ খুবী-রায়দি য়েৎ-ওই হায়তু-না চৎনৈ ॥ রায—অচৌবা, রায়-মচা হায়বা অসিনা খুৎ সা ৫ মক তিংথোক্লুনা য়েৎকী খুবীগা খুনাউবীগদগী লৌবা অমদি য়েৎকী খুবাগা খুদোম্বীগদগী লৌবা অসিবুনি ॥ ওইগী পাদম য়াওদবা অকোম্বগী অসিনা মকম অয়াম্বদা চৎনরকই ॥ পাদম অসি থুপ্লবেন লৈত্রবদি য়ুম্বুরেনবী-দগী লৌবা য়াই, ঈমুং পুবিবা মরু ওইবা মীসক অমদগী লৌর-বস্থ য়াই ॥

(খ) উতংনা ফম্বাল সাবা খুদোং চাদবা য়ুমদদি তাইরেনগী উপাক অসেংবনা উচন নাইনা মখোং ৪ পান্দুনা অরাংবগী পাদম চুম্না কত্তুনা সাগনি ॥ ফম্বাল অনিমক্তা (লাইনিং.থৌ লৈমরেনগী ফম্বাল ২ মক্তা) সনাই মচুগী থকথল নত্রগা অত্তোবা মচুগী থকথল অমমম থনগনি ॥


· (গ) লমইনকাদা লৈমরেনগী ঈসাইফু থিনকম লৈত্রবদি সনথোং লাইনিংথৌগী মনাক্তা মপা থন্না থৈনরগা ফক্রোংগী নাথল অমত্তং মপাক্লোম-দা পিরগা খুভম য়াবা য়াই ॥

(ii) লাইনিংথৌগী লৈছন-কাংলোন

লাইনিংথৌগী লৈছন্দি—১) লাংথরৈ মপোপ অমমমনা ফানখোঙ ৪ দা মতোন মতোন কারন ওইনা ওনসিন্নহুনা লৈছন তমগনি॥ লাদি লোংনা লোংনা থাগনি ২) ফানখোঙ ৪ গী ময়ায়দা, ফম্বালগী মথাদা চেং খুবাম ১ না চনিং থাগনি, মতুদা লাথরৈ মপোপ ৫ সলাইলেন সিদবগী "নমঙা-লৈ" কৌনা লৈছন তমগনি॥ লাংথরৈ মতোন খাদা ওনগনি,, ফম্বালগী মাযওন্না অৱাং, চিংথৈদা লৈবনি॥ চনিংগী লাদি উপ্না থাগনি॥ ৩) য়েৎতা ৭ উপ্না থাগনি, মথক্তা লাইপুংথৌ ৭ কী লাংথরৈ মপোপ ৭ না অমমম লাইনিংথৌ রোমদা মতোন ওনসিন্দুনা লৈছন তমগনি॥ ৪) ফম্বালগী ওইরোম থংবদা লা ৭ লোংনা থাগ-নি, মথক্তা লাইনুরা ৭ কী লাংথরৈ মপোপ ৭ না অমমম সনথোং অপাম্বীরোমদা মখোক ওনসিন্না লৈছন তমগনি॥ ৫) ফম্বাল মমাঙ-লা লারাক ৩ তাইদুনা লুকলেন থাগনি, চেং হৈগনি॥ ৬) অথেনপোং অমা অসং অমান, য়েন্সাং নাপী, ঈমকোনগী মনামসীং য়াওনা থাগনি॥ ৭) হৈবম ৭ লৈবম ৭ যেং ওইদা থেনগনি॥

অতৈ পোৎয়াওসিং অদু মফম মফম য়েংদুনা মরকসিদা হাপকনি॥ লৈছন অসিদি লাম্নবা যাদে॥ (১) কংপা লোইরগা লাইনিংথৌগী য়েত্তা লাইপুংথৌগী লৈছন অদু থমগনি॥ (২) সলাইলেনগী নমঙা লৈ অদুনা কারক্তা মথা থংবা নাবনলোমদা চৎথোক্না থমগনি॥ (৩) লাইনিংথৌ লাইবেম্মগী ফিরোই অমুবা অদু য়েং ওই নাইনা তমগবা মতুংদা লৈছন মবোল অসি কায়হন্দনা মথাদা থারিঙৈগী লৈছন ময়ওন অদু কায়হন্দনা পুম্নমক্কী মথক্তা ফি মরাক তাইবা লেংগোন ফিথক্তা থুংনবা কুপসিনগনি॥ অমুম্না লৈছন তম্বা লোইরগা লাইরুবাকী মথুম নিংথিনা খুমজিন্দুনা মথক্তা তাইরেন মনা অহুম লোংবা, পুংকাই চৈরাউলৈনচিংবনা থেৎচিন্না অমম্লুং থক্তা থেন্দুনা থম্নগা লাই তেসিনগনি॥

লাইনিংগী লৈছন মওং ঃ—



১—কানখোঙ ৪ গী লৈছন

২—সলাইলেনগী নমভা-লৈছন

৩—লাইপুংথৌ ৭ কী লৈছন

৪—লাইসুরা ৭ কী লৈছন


৫—লুকলেন লারাক ৩ ভাইকা

৬—অথেন পোং

৭—হৈরম ৭

৮—লৈরম ৭

লুবাক মখুংদা লাই লোইসিন্বা মওং :—



১—লাইনিংথৌগী ফিবোং

২—লাইবেম্মগী ফিবোং॥

৩—লাইপুংথৌগী লৈহুন লোইসিন্বা (মপোপ ৭)

৪—সলাইলেনগী লৈহুন লোইসিন্বা (মপোপ ৫)

৫—লাইনুবাগী লৈহুন লোইসিন্বা (মপোপ ৭)

[III] লৈমরেনগী লৈহুন কাংলোন

লৈমরেনগী লৈহুন-কাংলোনস্ত লাইনিংথৌগী অহুওম্মা থমগনি॥ থেন্নবা হায়ববু লৈমরেনগী কম্বাল মমাংদা থাবদদি লাইপুংথৌ ৭ কী লাংথরে মপোপ ৭ অহুনা কম্বালদা লৈথোক ওনসিন্নগা লৈমায় ওনথোক্কনি॥ লাইখুরা ৭ কীনা লৈপোপ ৭ মক লৈমরেনগী কম্বালদা মতোন ওনসিনগনি॥ পোৎযাও-চৈয়াওদি লৈমরেনগী তমকম থোক-পসিংঙু মমাংদা পনগ্রে॥ লাই তেসিন্বা মতম্দদি ঈসাইযুদা লৈহুন অ, তমলোইদবনিনা লৈহুন থৌরম লৈমরেনগীদা য়াংগ্রোই॥

খঙজিনগদবা :—(ক) লাইনিংথৌ লৈমরেনগী লৈহুন-কাংলোন অনিমক ঈমুংগী চাক য়েন্নাং থোং-থাকপা। হৌদ্রিবৈদা ঙস্তানা পাংথোক-হৌগদবনি ॥ লাই তেসিনবদি কোন্না চৌবা য়াই ॥

(খ) হৌজিক সেনখায় সাঙ্গনা লাইনিংথৌগী ১, সনথোং অপানবীগী ১ হাপ্পরিবসিদি কাইনথংদা বৈস্নব-লাইনিং চংলক্লবা মতুংদা সেমদোকখিবনি।। কম্বাল অমসুং খুভমদা সক্তম সাতনা থম্লরবদে।। সক্তম লাংলমদে ॥

(গ) লৈহুনসু (১) ফুরা-মাইবী (২) সংলেন মাইবী অমসুং ও নোংমাই-মাইবী হায়না অহুম থোক্লা থাবদোক্লুনা ঈমুং অমগা ঈমুং অমগা লৈহুন-কাংলোন মান্নহনদ্রে॥ খুদম ওইনা—(১) ফুরা মাইবী সংনা পুবমখৈ লৈহুন্দা লাংথবৈ মায়ওন য়েংসু ওইসু মমায় ওন-থোকই, (২) সংলেন মাইবীগী কাংসুপা পুবমখৈ লৈহুন্দা লাংথরে য়েংনা ওনসিল্লি ওইনা ওস্থোকই অমসুং (৩) নোংমাই মাইবীনা পুবা ঈমুংসিংদনা লৈহুন্দা লাংথরৈ মমায অনিমক ওনসিল্লি ॥ লৈপোংপ মসীংসু খেন্নহল্লি ॥ নাউদাগীনা মাগী মাগী তারকপা অদুগী মায়ওন লৌই ॥ মসি নৌনা হোংদোবকপনি ॥

মান্নদবা মওং অসি কোন্না হোংদোরকপনি হাযবগী খুদমদি সংলেনগী সেনখায়দুদা ইবা ময়েক অসি বঙ্গালী দেবনাগরী ময়েক্কগী লাকপা, লোলসু সংস্কৃৎ ওইবা "শ্রী" অসি ই ॥ অতৈনা "ম" গা "ল" গা ইরি ॥

(ঘ) ফুরা—সংলেন—নোংমাই হায়বা লৈতনা ঈমুং পুন্নমক্লা চপ মান্ননা ওস্বা য়াবা পুন্নমক্তা চন্নবা চৈরাউবগী লৈহুন-কাংলোন্দি ৭—৭ থাবিবা অসিনি, মায়ওনসু, মতুনা পুন্নমক্তা য়ুম্নফম ওইবা মান্নওল্লি

চৈরাউবা লমথোকপা

চৈরাউবা কুমিৎকী লাইথৌসিং লোইরবগা মুমশোন কৈবোম্নবদা যেক্সাং লাম্নতুনা খুম্নাই অমদা পুন্না হিংমিন্নবগী মবীবু অমুক নৌহৌনা নিংসিংনবগা ঈমুং মন্নুংগী মথেল লুক্কোয় চামিন্নগনি লোইবগা চাকচা-কমকম কাংলোন ঙাক্লা চাবকপা থক্লকপা অদু চকম-তাম্বা কাংলোন তৌতুনা ঈমুংগী মী পুম্নমক চাকথাউগী পুন্সিবোন লম্বী তাননিন্নগনি ॥ কুমিৎ সুংবা মতুংদা কুংথিলগী থৌরমদা লম্বান থোক্লা চহিগী লম্মীৎ-তুমীৎ, অসং-অমান, লৈপাক্কুগী মীওইসিং, মহৌসা লাইবেম্বাগী পুক্নিং তনা ফজবা কুম্বী যেন্নিং থাকক্লা য়াখল ময়োল চোংহন্বা সক্তমসিং যে গনি ॥ মসি পুন্সিবোন অমনি ॥

(১) চৈরাউচৌং কাবা

মনাক নকপা চীং, খুন্নাই অতুনা চৈরাউ-চীংনি হাংডুনা য়ানরবা লাইগী খুডম যাবা লমদমতুগী লম্মীৎ-তুনীৎ পুম্নমক যেংবা য়াবা মফম অমা লম লমতুগী থম্নম্মী ॥ ক্লৈজিকসু কাযদনা লৈবি ॥ লমদম লম-দমতুগী লৈবিবা চৈবাউচৌং অতদ. ঈসা ঈসাগী পাঙ্গল চাং-যেংনবা নি সা-কাংলোন খঙনা চীং কাপগনি ॥ চীংদোন য়োবা, অমুক চাংদোন্দগী কুম্নক-পদা মবক্কা পোথানদে, পোথাবৰদি পাঙ্গল চাং যেংবতু অরেপ্পা পঙবা ওয়োই ॥ সোন্নবী কলুবী অমনকাওবা লেপ্তুনা চৈরাউচৌং কাবা ওয়নবা "চীংগারোন" কৌবা নিংসা অম্নদি থোঙথাংগা মরী লৈননা সেম্বা কাংলোন অমা লৈরি ॥ চীংগারোন অসি তৌতুনা অসোয়বসু পোথা-রোইদবনি ॥ মসিনা চহিগী পুন্সিরোন সাম্নবদা অচৌবা পান্থু ওইনরম্মী ।

কুমদি চহিদা চীংগারোন য়াওত্রবদি চীং অদু কাবা ভুমাসল্লক-ত্রবদি নোংমৈ অমুক কাবদা চীংগারোনগী পাম্বৈ য়াওদনা কাবা ভুম্নবা পুন্সিরোন সাম্লগনি, য়্রম্বাল্লোন কাংলোন চুমথোক্লদবনি ॥

ঈমু' মমুং পুন্না পুন্না চৎতুনা চংদোন্দা লেপ্লগা অহল-ওইবসিংনা মচা-মস্থ-মমৌনচিংবদা অকোয়বগী ঙভদবা যাদবা লম্মীৎলোন অদু খুদোম্বীনা খিন খিন্দুনা তাকপিগনি ॥ লম লমগী মমিং মথা, মরু ওইবা মীতিন-ক্কম, লোয়্লসং, ফম্লাইবসিংগী মথুম মকৈ, মরী মতা—মকপ মপাংসিংগী লৈরক-কোনসাং পুন্নমক অসি খঙহল্লি ॥ লোইননা মহৌসা লাইরেম্বীগী পাকচাউববা সকফম্ব উরগা মালেম্ব মুংসিবা; তাইবং পাম্বা পুন্নমকপ মুংসিবা পোকপা অরাংবা রাথল্লোনবু তম্বীবকই ॥ মরম অতুনা থাযন-দগী মীবু মুংসিবা অমদি কংলৈচাসিংগী থম্মোযদা লৈবকই ॥ মতুগী খুদম হায়ববু কংলৈপাক্কী পুযা মৈ থাবগী সরৌ সিনখিবা, সনামহী লাইনিং মুথৎলগা রামান্দি লাইনিং নমতুনা চংহনগে থৌরাংখিবা, লাই-নিংথৌ সনামহীগী রাংগোইদা লৈবা লাংসংবু থুগাইখিবা সান্তদাস মহন্তনা পুযা মৈ থাকৎদগী লাইথুং থুংলতুনা চজরক্লবদা লোবেম্বা খোংনাংথাবা মাযচৌনা লাইথুং অদু কোকপিখিবতুনি ॥ চৈরাউবা-থৌরম অসিনা কংলৈচাসিং অসি তাইবংপাম্ববু মুংসিবা ফুকপ অমা ওইরকই হায়বা মযেক সেংনা তাকই ॥

(ii) লমলাইগী লাইপাউ তাবা

লম লমগী লৈরিবা লম কোম্বা লমলাইসিংগী খুভমদসু লাইপাউ চেম্বা মাইবীসিংনা অনৌবা চহিগী অনৌবা লাইপাউনচিংবা তাত্তুনা অনৌবা চহিগী সিম্ফাবু নিংসিংনৈ ॥

কোম্বুংগী মাইবা মাইবীনা লৈপাক্কী ওইনা থৌরম পাংথোক্লিবা লম্বান লাই (১) থোঙাক লাইরেম্মগী (২) লাংগোল নিংথৌগী (৩) তরুং লাইরেম্মগী খুভম্নচিংবদা লাইথৌ পাংথোকপসিদা চত্তুনা য়াওকবসু অমুম চংনরকই ॥

(iii) অহল লমন সিন্তাকপিবসিংগী ফিরোই হোংবা

কংলৈপাক খুন্নাইসিদা লৈরিবা ফজপ্রবা থকসি-খাসি থৌগল্লোনগী চাউরবা লাতম অমা চৈরাউবদা য়াওরি ॥ ঈপা, ঈমা, সাগৈগী অহনসিং, সিন্তাকপিরকপা ত.খণ্ড অহৈসিং অমদি কনা লৈজদবা মীওই কয়াদা মানা মানা ভমজবা চহিগী ফিরোই হোংনরি ॥ লৈতবা মীনা খাংদা পুন্ননবা লংহিং লংসেং অমত্তং ওইরবসু হোংনৈ ॥ অরৈবা মীনা ফৈজোম, ফুরিৎ, অয়ুক ফুংথিল তোংনবা খোংউপ লংহিং লংসেং অসি মপোৎ শুনা হাপ্পনা থিন্নৈ ॥ ফুপী ওইরগা কনেক, ইন্নফি, তোংনবা খোংউপ অমসুং লংহিং লংসেংনা পোৎ অমা হুহল্লগা থিন্নৈ ॥ কনাগুম্বনা হেম্না লান্দত্তনা অকৎসেনগা লোয়ননা থিল্লি ॥ খুন্নাই অসিদা লৈরিবা থকসি খাসিগী থাক অসি মাগুহন্দবা ভন্নবদি অমদি মালেম সিম্বা থুংনা চংনহন্না ভন্নবদি মীওইবা ফুরুপকী ফজবা সজম অমা নৌনা হাপকৎ-লগদবা খুন্নাইগী কাংলোন অমনি ॥

চৈরাউবদা সনা কোনুংনা তোবা থৌরম

(লৈপাক্কী ওইবা কোনুংগী লোয়সংশিংনা পাংথোকপা)

ঈসা ঈসা য়ুম য়ুমগী লাইথৌ অমদি থৌরম পরেং পাংথোক্লরিবসিগী মথক্তা সনামহী লাইনিংগী য়াম্না মরু ওইবা মুমিৎ অমা ওইবা মরম্না সনা কোনুংগী (১) মাইবা লোয়সং (২) মাইবী লোয়সং (৩) পেনা লোয়-সং (৪) তানয়ৈসং (৫) কৈরুংবা লোয়সং অসিনচিংবা সংলেনসিংনা তোঙান তোঙান্না লাইথৌ পাংথোকই ॥

(i) *পানা মরিগী মসিন্ন*

সজিফু লাকয়েন তাইদুনা লৈপাক হুপ্না চৈরাউরিবা মুমিৎ সজিফু নোংমা পাম্বা অসিদা (১) খুরাই পানা (২) য়াংখৈ পানা (৩) খাই পানা অমসুং (৪) য়াইস্কুল পানা হায়রিবা পানা ৪ অসিগী পানা লাকপা (লৈ-কায়লাকপা হায়নসু খঙনবা) ৪ না মাগী মাগী পানাগী ফি মচু সেংদুনা মায়কৈ পুম্নমক থুংনা, সাগোল তোংদুনা, খোকরানা হিদুনা সাবা খোঙচৈ অমা মতোন্দা কিরান মচা অমগা সরিক অমগা খেতুনা পায়রগা *"ঙসি অসিদগী অনৌবা কুমজা অমা হৌরে, কুমজা তেক্কহৌ-রবে, থাজ নৌহৌনরে, সজিফু লাকয়েন তাইরে"* হায়দুনা লাউই ॥

সজিফু নোংমা পাম্বদা কুমজা তেকহৌনবগী, থাবান অমা নৌনা হৌবগী (থাজ নৌহৌনবগী) থৌরম পাংথোকলিবা অসিবু খোকরাগী চৈসাং অমদা কিরান-সরিক খেতুনা লাউই হায়বগীদমক্কু "চৈরাউবা" = চৈ + পায়-দুনা + লাউবা হায়না থৌখোক্কুদগী লৌরগা খঙনখিবনি ॥ অদুম্না কংলৈপাক্কী

মীহৌরোন্দা সনামহী লাইনিংগী লাইথো অসি হোৌরকখি হায়বা কাউদনবা হৌসিকাওবা লাইথো অসি 'চৈরাউবা" হায়না অহুম খঙনরিবসিনি ॥

(ii) চৈথারবগী মনিল

মলিয়া ফম্বালচাগী চহিরোন ২৮৮১—৮১ সুবা খ্রিঃ চহিরোন ১৪৮৪—৮৫ সুবা কিয়াম্বা নিংথৌগা সনা হাবখক্তগীদি পানা লাকপা মীসক ৪না চৈরাউবগী মনিল পুরম্বা ৩৬ চুপা অমখক্তংনা মীয়ামগী মহুৎ সিন্দুনা পুবা হৌখি ॥ অসুম্না মীসক অমখক্তনা পুখদগী চৈ পায়রবগা লাউরম্বা অহু তোকখি, চৈ থাদোকখি ॥ চৈ পায়রম্বদগী থাদোকপা অতুবু নিংসিংহুনা মীসক ৪ গী মনিল পুবিবা মা অহুবু "চৈথাবা" = চৈ + থা-দোক্লবা হায়না কৌই ॥ অসুম্না ইহান হায়া চৈ থাখিবা চুপা অতুগী মমিং "হিয়াংলোহ" হায়না কৌই । মলিয়াকম চহিরোন ১৮৮৩ দা চৈ থাখিবা চুপাড়না "নামোই" কৌই, মথং মথং খুবাইওম্বা, খরাই হাওমু, লম লৈমুয়োক, লমলৈ রাহকপা, অকাংকম সুঙা, খুরাইজম তোম্বা অসিনচিংবনা চৈথারকপনা ভসিকাওবা অমত্তা কায়দনা চৎখরি ॥ চৈথারকপা অসিদগী লোইহনা ইব, চৈথাবক বুমকম ওইবা নিংথৌ-রোনগী লাইরিক মহুবুনা 'চৈথারোল কুমপাবা' হায়না কৌই ॥

(iii) মাইবী লোয়সংবা মায়কৈ ৪ লাংপা

চৈরাউবা কুমিংকী অনৃক অভুরদা মাইবী লোইসংনা মায়কৈ ৭ লাংথোকই ॥ মায়কৈ ৪ লাংথোকপগী পোৎখাওদ—(১) য়াংকোক ৪ (২) খোংজো ৪ (৩) কৈশাং ৪ (৪) য়োংপি ৪ (৫) কৈসা সানবা খুদৈ ৪ (৬) চফু ৪ (৭) রাক্টসেন ৪ (৮) চেং উতোং ৪ (৯) ভমু ৯ (১০) ভানোই ৯ (১১) থাও (১২) থুমপাক ৪ (১৩) য়োসপি ৪ (১৪) খাবৈ ৪ (১৫) চেকপ ৪ (১৬) কৈ ৪ (১৭)

স্নমসিং ৪ (১৮) হৈবী মনা সিংজু (১৯) কবোক নাচল ৭ (২০) মরোই, মোরোক, লা, সীং (২১) লাংথবৈ (২২) সিংপাক ৪ (২৩) লসিং মপোপ খুদাপ ১ অমস্তুং (২৪) লাইগী অকৎসেন অসিনি ॥ (চৈলাউপকী মসিল)

(iv) লাইনিংথৌ নোংসাবগী ফিরোই হোংবা

অয়ুক্তা সনা কোয়ুংগী লোযসংবা লাইনিংথৌ নোংসাবগী ফিরোই হোংবগী থৌরম তৌগনি ॥ পোৎযাওদি—(১) থাখল অয়াংপা ৪ (২) ফিদা মরাক তাইবা ৪ (৩) ফিখুম মরাক তাইবা ৪ (৪) ফৈজোম অচৌবা ১ (৫) ফৈজোম মচা ১ (৬) কোকযেৎ অচৌবা ১ (৭) কোকযেৎ মচা ৩ (৮) ইন্নফি ৪ (৯) লাইরেম্মগী ফনেক অচৌবা ১ (১০) ফনেক মচা ৩ (১১) কোকসেৎ ৪ (১২) খাংচেৎ ৪ (১৩) ইন্নফি ৪ (১৪) লেংকোনফি ৪ (১৫) থা যেৎনবা ফি ২ (১৬) হৈকক ৪ (১৭) পানা ৮ (১৮) সরেং ১ (১৯) ভাতোন ১ (২০) ভমু ৭ (২১) চেং উতোং ৫ (২২) থুম কাকুপ (২৩) থাও উতোং ১ (২৪) মরোই মোরোক, মথাক মথুম (২৫) চফু ১ (২৬) ঈরান ১ খাবৈ ১ (২৭) চেগপ ১ (২৮) ফৈ ১ (২৯) তুমনৌ স্নমসিং ১ (৩০) খোইরু থাওমৈ ৪ (৩১) লা, লাংথরৈ, লৈ অমস্তুং (৩২) লাইগী অকৎসেন অসিনি ॥ (চৈলাউপকী মসিল)

(v) ঈবুথৌ পাখংবগী ফিরোই হোংবা

চৈরাউবা লুমিংকী অয়ুক্তা ঈবুথৌ পাখংবগী ফিরোই হোংগনি ॥ পোৎযাওদি—ফৈজোম ১, কোকয়েৎ ১, ইন্নফি ১, লাইরেম্মগী ফনেক ১, কোকসেৎ ১, ফমসেৎ ১, ইন্নফি ১, লেংকোনফি ১, ফমফি মরাক তাইবা ৩, ফিখুম মরাক তাইবা ৩, থাখল অয়াংপা ৩ অসিনি ॥

পাখংবগী ফিরোই কৎপদা সনথোং অপাম্বা সনামহীগী লৈমরেনগী অমদি ঈমোইনুনচিংবগী য়াওগনি, মসামা লোইনজবনি॥ মরম অসিনা,

সনথোং (১) লাইনিংথৌগী ফিরোই অস্নুবা ১ (২) ঈমা লৈমরেন ঈস্নাই-ফুগী ফিরোই অস্নুবা ১ (৩) ঈমোইন্নু ঈহোং ঈচাওবীগী ফিরোই অস্নুবা ১ অসি ন্নাওগনি ॥

লোয়ননা লাইরক ৫, পানা ৫, চফু ১, ঈন্নান ১, খাবৈ ১, চেগপ ১, সরেং ১, ঙাপাং ঙাতেন ১, ঙমু ৭, চেং উতোং ৩, থুম কাকুপ, থাও উতোং ১, মরোই, মোরোক, মথাক মথুম, খোইরু থাউমৈ ৫, লাইগী অকৎসেন অসিনি ॥ (চৈন্নাউপগী মসিল)

(vi) মুমজাও লাইরেন্মগী ফিরোই হোংবা

অমুক্নী থৌবমদা মুমজাও লাইরেন্মগী ফিরোই হোংগনি ॥ পোৎ-ন্নাওদি—থাখল অযাৎপা ৪, ফমফি মবাক তাইবা ৪, ফিথুম মন্নাক তাই-বা ৪, লাইনিংথৌগী ফৈজোম ৪, কোকয়েৎ ৪, ইন্নফি ৪, লেংকোনফি ৪ হৈরুক ৪ পানা ৪, চেং উতোং ৩, সরেং ১, ঙাতেন ১, ঙানোই ১, ঙমু ৭, থুম কাকুপ, মবোই, মোরোক, মথাক মথুম, লা, সীং, লাংথরৈ, চফু ১, ঈবান ১, খাবৈ ১, চেগপ ১, কৈ ১, স্নুমসিৎ ১, খোইরু থাউমৈ ৪ অমস্নুং লাইগী অকৎসেন অসিনি ॥ [চৈন্নাউপগী মসিল]

(vii) লাইনিংথৌ সনামহীগী ফিরোই হোংবা

অমুক্নী থৌরমদা লোয়সংনা লাইনিংথৌ সনামহী অমদি সম্নোং অপান্বী ফিরোই হোংগনি, চহিগী অনৌ অপেন চৈন্নাউ লৈ কৎকনি ॥ পোৎন্নাওদি—ফৈজোম ১, কোকয়েৎ ১, ইন্নফি ১, নমথাং ১, লাইরেন্মগী ফনেক ১, ইন্নফি ১, খাম্নচেৎ ১; লেংকোনফি ১, থাখল ১, নমথাং ১, ফমফি মন্নাক তাইবা ১, লফোই লফাং ২, কুন্নামনা ২, হৈকল লৈকল, চু, ঙমু ১৪, হৈজিং থন্নাই অথেনপোৎ অস্নুবা ১, থুম কাকুপ, থাউ উতোং ১, চেং উতোং ২, লা, সীং, লাংথরৈ, লৈরি, চোমলাংলৈ, কুমস্নুলৈ,

নম্বা কুইপীবৈ, খোইরু থাউমৈ ১, লাইগী অকৎ সেন অসিনি ॥ (চৈলাউপকী মসিল)

(viii) তানবৈ পান্নোইসংগী থৌরম

তানবৈ পান্নোইসং অসি তানবৈসং হায়বা খুঙনবিবা চহি অমা পুতনা চৎলিবা মতমবু পুংসুপা পান্থনা—য়ুথক, নোংঙানপুং মুমিৎ যুংবগী পুং, য়াচংপুং, নোংয়াই পুং থাম্মিবা নোংমগী মতমবু পাবিবা লোইসং অসিনি ॥ ভাবতকী ইন্দিয়ান স্তেন্দার্দ তাইম (Indian Standard Time) হায়নবা পুংসীংবা মতম অকক্লবা কাংলোন্দা পাবিবা অসিগুম্বা কংলৈপাক্কাম্ব তানবৈসং পান্নোইসং অসিনা লেপ্পা লৈতনা মতম-কাংলোন অমগী মখাদা পারকই ॥ তানবৈসং অসিনা সজিফু নোংমা পাম্বা অনৌবা থাবান হৌবা মুমিৎ অসিদা মবুধো য়াংদোবা অমসুং মবেনধো য়াংদোবী অনিবু ফিবোই হোংহনা ঈরাংলি ॥ পুং চনা য়ুথক ১, য়ুথক চনা নোংমা সাহনা নোংঙান পুং য়ৈবা, য়াচং পুং য়ৈবা, নোংযাইপুং য়ৈবা, মুমিৎ যুবা পুং য়ৈবা থোৌবম্ব চহি অমা চুপ্পা পুবিবসি মবুধো যাংদোবা মবেনধো যাংদোবা অনিগী খুভমদনি । ফিবোই হোংবগী পোৎয়াওদি—কৈজোম ১, কোকযেৎ ১, ইন্নফি ১, লাইরেম্মগী ফনেক ১, কোকসেৎ ১, ইন্নফি ১, লেংকোন ইন্নফি ১, থাখল ১, ফমফি মরাক তাইবা ১, পুং কোইবা কৈজোম ১, কেগাপ ১, অচাথাউ, চফু অমম্বা ১, লসিং মোইথাপ মপু ১, উগান খুদাপ ১, ইন মনম নাইবা, লৈসং মরোং ১, কোনযাই পু ১, লফোই লফাং চাংথোকপা ১, লফোই লফাং সি থোকপা ১ য়ু য়া মনা ২ লা, লাংথলৈ, চু, হৈকল, লৈকল, লাইগী অকৎসেন অসিনি ॥ (চৈলাউপকী মসিল)

(ix) অমাইবা অমদি অসৈ য়োইরেনসংগী থৌরম

চৈরাউবগী লাইথোদা অমাইবা লোয়সং অমসুং (ক) অসৈ য়োইবেনসং অনিমক্কী সংলেনগী থৌরম তোঙান তোঙান্না পাংথোকই ॥ (১) মাইবা

(ক) অসৈ য়োইরেনসং অসি হৌজিক পেনা লোয়সং হায়না পিকতক্না লৈবিবসিনি ॥ মমাংগৈদদি চাউনা ঈনাংকী ঈসৈ নোংথাইগী কাংলোন সুপ্পা পুরম্বিবনি ॥ ঈসৈ সকপা মখল কয়া লৈবম্বা লৌয়সংনি ॥

লোয়সংনা *মঙাং-লুয়াং-যুম্বম* চিংউ সিদবা লাই ৩ অসিগী থৌনি পা থোকই ॥ (২) অসে য়োইবেনসংনা *মবুধৌ পোইবৈতোনগী* খুতমদা থৌনি পাংথোকই। *"মসিল সাংতেক সিংসং"* পুয়াগী মতুং ইন্না থৌনি অনি অসিগী পোৎযাও মাপ্নে ॥

পোৎয়াওদি—সিদবা ৩ গী কৈক্লোম ৩, কোকথেং ৩, ইম্বফি ৩, ফমফি মরাক তাহবা ৩, নমথা ৩, খাকল ৩, ফিখুম ৩, লফোই কফাং ৩„ কুরা মনা ৩, সৈনং মবোং ৩, হৈ ননম নাইবা ৩, কোনযাই পু ৩, চু, হৈকল, লৈকল, কবোক অথুম অহাউ, কুমম্লৈ, নরা কুম্পী- বৈ, চোমলাংলৈ, চাংখোং, লা, লা থবৈ, হৈজিং খরাই ১, অথেন- পোৎ অম্বুবা ১, ৎযু ২৯, থুম ১, থাও, চেং উতোং ৩, উচিরা ৪, চকু ১, ঈরান ১, নাহৈফ ১, লাইগী অকৎসেন অসিনে ॥ *(চৈলাউপগী মসিল)*

যে সিনগনবা ঃ—মবুধৌ পোইবৈতোন ॥ পেনা লোয়সংনা ফিবোই হোংবদা পোৎলম ৩/৩ হাপ্পসিংডু অমমমতমক হাপকনি ॥

(x) *মাইবী লোয়সংগী থৌরম*

কোন্নুংগী মাইবী লোয়সংনা *লৈমা লৈনাউ তাবীগী খুত্তমদা* ফিরোই অম্বুবা, হৈকল, লৈকল পোৎযাও অম্বুবা কত্তুনা "সবিক থৌগল" তৌই, লাউপাউ চেল্লি ॥

(xi) *কৈরুংবা লোয়সংগী থৌরম*

সনা কোন্নুংগী কৈরুংবা লোয়সংনা *য়াংগান নিংথৌ, য়াং- গান লৈমা* মবুধৌ অনিগী ফিরোই অম্বুবা, হৈকল লৈকল অম্বুবা কত্তুনা থৌনি ॥

(xii) থোংঙাক লাইরেম্মগী থৌরম

লাংগোল তাইবিবী মবেনথৌ থোংঙাক লাইবেম্মগী খুভমদা লোয-সংগী মাইবা মাইবীনা চৎতুনা ফিবোং অমুবা, হৈকল লৈকল অমুবা কৎতুনা থৌনি॥ থকু কত্তুনা লৈপাক্কী চহি অতুমগী অফ ফত্তগী খুদম কযামকম যেংঙ॥

(xiii) লাংগোল নিংথৌগী থৌরম

লোযসংগী মানা লাংগোল নিংথৌগী খুভমদা লৈপাক্কী ওইনা ফিবোং অমুবা, হৈকল লৈকল অমুবা কত্তুনা থৌনি॥ লাইপাউ চেন্দুন। অরা-অনা অফ ফত্তগী পাউ লৌহ॥

(xiv) তরুং লাইরেম্মগি থৌরম

লোয়সংগী মানা তরুং লাইবেম্মগী খুভমদা ফিবোং অমুবা কত্তুনা, হৈকল লৈকল শুনা হাত্তুন লৈপাক্কা ওইনা থোনি॥ ঈনিংথৌ খা-গেম্বগী মমাংদদি তরুং লাইবেম্মগী লাইথৌ অসি তৌনবমদে॥ লৌনা তৌরকংগী ৱারীশু লৈরি॥

(১০)

কোংবা লৈথোং ফাংগা সজিফু লৈখল ফুন্বা

সজিফু থাগী ৭ নি পান্বা, চৈবাউবা মতুং চযোল অগা চপ চানা হেক স্রবগা মবুধৌ যাংদৌবা মবেনধৌ য় ংদৌবী অনিগী থৌরম অম পাংথোকপগা লোযননা কো বা লৈথোং ফাংপগী লাইথৌ অসি তৌই ॥ নিংথেম পোকপা অমস্তু অঙোমপোকপা হাযনা খঙনবিবা লাইফম অনি অসিগী মনাক্তা, কোংবা ভুবেলগী নোংপোক্তা নক্লা লৈবিবা মফম অসিদা *"কোংবা লৈথোং ফাংপা, সজিফু লৈখুল ফুনবা"* পৌবম পা থোকই ॥ মফম অসিদাগ লৈপাক তৌথোক্লগা লৈবগ্গা পোৎ চৈ, তিল কান চিংবা পুন্নমক ফি অহঙ্গা অমদা হাপ্লগা কিসি কিদ্না যোমড্রনা মাইবগী ঙমসমদা য়ান্দুনা যুমজাও লাহাবম্মগী খুভম যোনা পুবক্কনি ॥ লৈতৌফম লাইফম ২ দগী পুবকপা পোৎ চৈ অতু খকং অমমমদা হাপ্তুনা মু মিৎ ৫ নি চুপ্পা থমহুনা থৌনিগনি ॥ লাইফমসিংসিদা লৈবম্লিবা পোৎসিং অতু যেংলগা লৈপাক্কী কুম অতুগী অফ-ফত্ত, ফৌথোক চাথোক, ঈসিং মু সিংকী মবোল খঙনৈ ॥ লৈতে বা মতমদা সনা লুপা কেনচন যাইচনগনি ॥

লৈথোং ফাংফমগী মতাংদা *"মসিল সিংতেক সি সং"* কৌবা পুযাদস্থ অস্থম্না যাওবি *"সাজিফাই ১ নোংমা পানপতকি ৭ নি সুপতা কোংপা লৈথোং ফাংপতি, অঙোম পোকপা, নিংথেম পোকপতা ফাংএ ॥"*

লৈথোং ফাংপগী পোৎচংদি—ফমফি মবাক তাইবা ২, নমথুং মবাক তাইবা ২, থাখল ২, খুদৈ ৪ ; লাইনিংথৌগী ফিবোই ফৈজোম ২, কোকযেৎ ২, ইন্নফি ২; লাইরেম্মগী তোংগা ফনেক ২, ইন্নফি ২, কোকসেৎ ২ খাংচেৎ ২ লেংকোনফি ২ ; য়োৎখুনেৎ ৪, সেন খুনেৎ ৮, লাংথরৈ খুদাপ ২, হৈ মনম

নাইবা ২, লৈসং মরোং ২, লফোই লফা ১০, কুরা ১০, মনা ১০, চু, হৈকল, লৈকল, কবোক অথুম অহাউ, উচ'ন খুদাপ ২, কনাবি ২, খোইচু লৈখাম, রাইসেন, ফৌদাং সংবাই ২, ঙিকোল ২, ভারি-ভাতাং, থুম কাকুপ সেন কাকুপ, খোইরু থাউমৈ ২০, উচিরা ১০, কোনয়াই পু ৪, খরুং ২, য়েরুম ২ চেং উতোং ২, কবোক নাচল ৭, যাম উতোং ২ হৈবীননা সিংজু, সেল ২, লালাতোন ৬, খাবৈ ২, চেগপ ২, য়োংসবী ২, ভাংখা ২, রানতোন ২, নাহাইফু ২, সাবেং ২, ভাতোন ২, ভানোই ২০, ডমু ১০, চেং চে কোক ১, থাউখুম রা ২, হরাই উতোং ৫, থুম ৪, নোরোক উতো ৪, সিংপাক ২, সিং সিংপু ২, লা লাকোন ৫, থাংজৌ ২, লৈতৌ যোৎ ২, লাই ৬ গা অকৎসেন অসিনে ॥ *(চৈলাউবগী মসিল)*

(ii) *সগোল-পাউ*

সজিফুগী লৈথোং ফাৎপা মুমিৎকী থংনবা, নোংমা রাংলিউগী মুমিত্তা সগোল সরীক থাওহনা কৈথেল পাউ চেল্লি ॥ পানা ৭গী লৈকাই (লৈখায়) ৪ মক্তা কৈথেল পাউ অসি পিগনি ॥ সগোলপাউদা হায়বথা রাহৈদি— 'অসিদগী হয়ে, ঈনোং ভানবদি, সজিফু থাগী ৭ নি পাম্বা মুমিৎ অসিদা কোংবা লৈথোং ফাৎপা থোক্লে। যোৎলৈ তেমপাক কাওফদে, লৈপাক তোকস্থ পাযফদে ॥ পোংলৈ মায়াম পুন্না কুমসি কুমচাগী ফৎতবা হাউথিবা, মতিল মবাহ তাবককদবনু থাবৈ লেমলৈ তাবহনো ॥ অথ-মুংভাই মহৈ মরোং চুমবনু কুবিযু॥" অহুম্না চৎনরম্মী ॥ *(চৈলাউপকী মসিল)*

(iii) *কংলোদা লৈথোং ফাংলম্ব।*

হৌজিক কোংবা তুরেলগী নোংপোক নিংথেম পোকপা, অভোম পোকপগীদা লৈথোং ফাৎলিবা অসি হায়দি কংলাদা কাৎলম্মী হায়হনা কুম কুমগী পারম্বা কয়া ইসিল্লিবা "*কুমপারান*" কৌবা লাইরিক্কা

য়াওরি ৷ খ্রিঃ চহিবোয়া হৌড্রিউও আঃ মমাংদা *লৈনুং লোনজা অরিবা* হাকথক্তদি কংলংদা সজিফুগী লৈথোং ফাংলম্মো হায়দুনা ইবি ॥ মমৈদা লোইদাম থাজ্ঞ থাবোংলবে (সোলাব ইয়াব তানবদা লুনাব ইয়ারনা থা অমা চিংসিন্দুনা থা ২ পাল্লে, লোয়বে) হায়বা খঙনবা, কুমলোয়বা অসি নিংসিংতুনা ঈনিংথৌ ঈবুংঙো নোংদা লাইবেন পাথংবা সনা হাকথক্তগীদি কংলংদা সজিং লৈথোং ফাংলম্বু কৌ ঝদা হোংদোকখি ॥ মতমতুদগী "কোংবা লৈথো ফাংপা সজিফু লৈপুন ফুম্বা" হায়না ভসিফাওবা খঙনবকই ॥ লাইথৌ অসি খু মমাং আ. দগী হৌনা লৈরক্লবা কংলৈ-পাকী অমদি সনামহা লাইনিংগী অচৌবা ঈনাৎ অমনি ॥

(১১)

চৈথাবগী থৌরম

(অনৌবা চৈথাগদবা ম৔দা হান্নগী চৈথাবনা সিন্নবা)

মলিয়া কম্বালচাগী চহিরোন ২৮৮১ সুবদা কিয়াম্বা সনা হাকথক্ত। হিন্নাংলোইনা ইথান হাম্বা ওইনা চৈথাবদগী মলিয়াকম চহিরোন ৩৩৭৯ খ্রিঃ চহিরোন ১৯৮২ অসিদদি চৈথাবা মসী ৪৯৮ সুবে ॥ চহি অসিদা চাউরাক্লা চৈথারকপা চহি অ'স ৫০০ রোম সুবে ॥ মসিনা তাক্লিবদি চৈথাবগী তোঙান্বা থৌরম অসি লৈপাক অসিদা ঈনাং ওইনা চংনরকপা অসি চহি ৫০০ রোম সুবে হ'ঘবসিনি।

চৈথাবগী সুমিৎ :—চৈথাবগী সুমিৎ অসি লমদাগী অরোইবা (থাসি) সুমিত্তা ওইরকই॥ অরীবা কুমজানা লোইবা, অনৌবা থাবানগী কুমজানা হয়েংদগী হৌরগনি হায়বা সুমিৎ অসিদা অনৌবা চৈথাবদা হান্নগী চৈথাবনা থো সিন্নগদবনি॥ কুমজা অনৌবনা হেক চংলকপা পুংফমদুমক্তদা অনৌবা চৈথাবগী থো মাঙদা তাত্তুনা লৈরবনি॥ মরম অদুনা নোংমা রাৎলিভৈদগী অনৌবা চৈথাগদৌরিবা মৗসক অদুদা থৌ পুবগী মসিল সিন্নগদবনি॥

হান্নগী চৈথাবনা হায়বা মরোল :—লমদাগী থাসি সুমিৎতা নিংথৌগী সনা মাংদা হান্নগী চৈথাবনা য়েত্তা অনৌবা চৈথাগদবনা ওইদা ফমঙ্কনা থৌগল তৌই॥ রাহে সিন্নবা লোইরগা ফমকম তামুক ওম্থোক্লে। হান্নগী চৈথাবনা অনৌবা চৈথাগদবা অদুদা মথাগী রারোলসি হায়দুনা সিরৈ—

"ঐবু সীজবা ঈবুংঙো
লাইয়িংথৌ নোংথৌরেল অথৌব-ও,
নদাইরেম ঐনা পুজরকপা চহি অসিবু
নদাইবেম ঈতাউ (মিং) না পুজব কুমনা
নিংথৌ পুন্সিবা, চাকহোং-ঙাহোংব।
ললহোং থুমহেংবব্ থোইবা হেম্বা ওইরসনো ॥"

মথক্কী অসি হাএবদা কম্বা কমকমদি খুকউ ২ মক লৈপাক তানা খুৎ লোন্নহনা যাং ঙিংনা কম্বা অসিনি ॥

অনৌবা চৈথাবগী মরোল :—হায়গী চৈথাবনা রারোল লাউবা লোই-বগা অনৌবা চৈথাবনা অমুক যেৎলোমদা খুকউ লৈপাক তানা খুৎ ২ লোন্নহনা কম্নগা মথাগী চৈথাবগী মরোল অসি হায়হনা লাউগনি—

ঐবু সীজবা ঈবুংঙো
লাইযিংথৌ নোংথৌবেল অথৌবা
তাইবং সলাইরেন নমু পোংহনবা—ও,
নমু তুবা য়োইনোংতা নোংতা লাইরেন পাখংবা
অঙৌবা লংমাই নিংথৌ চিংসোম্বা
চিংউ অনিমক্কী লোইদাম মকুমসাবু
মৈনা রাই তাংনা সমন্না
নমু নিংথৌরোল খুদিংদা
কোংবা লৈথোং ফাৎ, সজিফু লৈখুল ফুন
থাংজিং মথোকলাং খোক্লাং মচৈ খাং
পাখং হুযেন লানপাম্বনা হুয়েন লান্দাখোক,
কংলা মৈচল খোক,
হুয়েন লম্মানি লম্মচাউ ফানচৈ,
সিনাই নানি লোঙবনা খোক্লাং কামুচৈ,
সরীক খিং খিং থাংনা লৈরক থৌঙাই চৈবু

খোক্লাং লেংদা থোংনা চৈথাবা রুম,॥
লোইদাম কুম্বা অঙনবা চৈকারকপা অসিদা
ফত্ত-হাউথি, সাবাউ-লানবাউ, কম্রক য়েক্লা
পুন্নমক্তি থারে লেপ্লে তাইরসুলো॥
রারেম লায়েম, খুনচিন লানচিন
মীচিন মীপাউ, হকথি সোইনাই
তিনথুং লাংথুং অয়ান অহুই পুন্নমক্তি
নদাইরেম এৗনা তাংজা লুদা থোংনা পুজরগে॥
ঐবু সীজবা ঈবুংঙো
লাইনিংথৌ নোংথোরেল অথৌবদি
হুমিৎকুম মসোং চাউ থাবাগুম মঙাল নাইনা
কুমজা তেকহৌনা, থাজ নৌহৌনা
পুনসি চরৈ কুই, রাঙম খোংতোন সাং
তানথোং ময়ুং কুই, লেমথোং মকৈ-পাকপা
পোইরৈ খুনহোং লৈহোংবা
খুনজাউ লৈচাউববু লেপ্পা তানফংলগেনে।"

মথক্কী য়ারোল অসি রাহে পাবল চলহম্পনা লাউবগা হেক লোইংবগা নিংথৌনা চৈথারিবদুদা মনা মথুম. থোকাযবগী যাইফ রা কযা পি॥ মনা অসি মমাংঙৈদা য়াম্না চাউনা পিরম্বদগী হৌজিক্তি লুপা ১০০ ০দ পিরগা লোইনবে॥

[illegible] কাংলোন

[illegible] অসি যাম্না কুম্না লৈরম্মী ॥ নোংমগী [illegible] না সাইরু, পুং ৮ না য়ুথক অমা সাই ॥ য়ুথক অমমম্বু [illegible] পুহনা নোংমগী য়ুথক ৮ বুম্বু (৬৪÷৮) তাম্না, য়ৈসংনা য়াম্না চেকসিন্না পাল্লি নাইনা চৎলকই ॥ অসিগুম্বা পুংগী পুংলোন, য়ৈহনা লৈপাকী ওইনা পুঙ্জা নাইনা সিন্থা পাওবা চৎনরম্মী ॥ মতম পাবগী কাংলোন অসি ইবা পুম্না কয়ামরুম লৈ মতাং অমদা মচেৎ ওইনা হেক্তা য়াওবসি য়াম্না তোয়না থেংনৈ ॥ পুয়াসিং অসিগী মনুংদা পুং চৎপা, য়ুথক পাবা, পুং য়ৈবা অমসুং পুংলুপ কয়ুপকী মরমদা ইবা মরু ওইবা পুয়াসিংদি "***সলাই পুংলুপলোন***" "***অমম নোংলোন***" অমসুং "***তানৌয়রোন***" অসিনচিংবসিনি ॥

পুংলুপ অমা নাইনা লৈপাকী থাক্তা চৎনবা হৌবকপা অসি য়ারী লাইরিকসিংগী মনুং ইমা নোংদা লাইরেন পাথংবগী অাঃ মমাংদা পাল্লবা ঈনিংথৌ ঈবুংঙো লৈমুং লোনজা অরিবা অসিগী মতমদগীনি ॥ পুঙ্জা পাবা কায়রবা অমসুং পুং য়ৈবগী পুংলোন কায়রবদি লৈমা, নিংথৌ অমদি লৈপাক মীয়ামগী মিহুন কাংলোন কায়বগা মান্নৈ হায়নই অরিবা লাইরিক্তা উমি ॥

(i) *সলাই পুংলুপলোন*

পুং ৮/৬৪না সানিংবা য়ুথক অমমমগী থৌ অসি সলাই অমমদা চৎলি ॥ বোরিমদা পুং ৬৪ লৈবা মরম্না য়ুথক ৮ না (৬৪÷৮=৮) লোনবু য়োমহন্না চৎলি ॥ অদিগুম্বা য়ুথক ৮ অসিবু সলাই ৮ না য়ুদিং

খুদিংগী থৌ চৎলি ॥ (১) য়াচং পুং য়ৈবদগী [illegible]না য়ুথক অমা খা-[illegible]না থৌ চৎলি ॥ (২) অনি[illegible] হু[illegible] [illegible]হৌবদগী নোংয়াই অঘকাওবনা পুং ৮ লূরাংনা থৌ চৎলি (৩) [illegible] ১ হায়বদি পুং ৮ অমা সলাই লৈসাং[illegible] [illegible]॥ (৪) [illegible] য়ুথক ১ লোইবদগী নোংঙানপুং য়ৈবকা[illegible] পুং ৮ অমা [illegible] [illegible]থৌনা চৎলি ॥ ৪ অসিবু অহিং চৎপা [illegible] [illegible]না [illegible]

(১) নোংঙানপুং য়ৈবদগী য়ুথ[illegible] অমকাওবনা [illegible] [illegible]লি ॥ (২)নোংঙানপুংনা য়ৈবদগী য়ুথক ১ হেক লোইখিবগা মথংগী য়ুথক ১ হায়বদি পুং ৮ হুমিৎ য়ুংবকাওবা মোইরাংনা থৌ চৎলি ॥ (৩) হুমিৎ য়ুংবা মতুং য়ুথক অমা অঙোম্বা চৎলি (৪) য়ুথক মতুং য়াচংবা তাবা পুং ৮ অমনা খুমল্লা চৎলি ॥ ৪ অসিবুনা হুংথিল চৎপা লৈং কৌই ॥

মতম পাবগী কাংলোন্দা অহিং চৎপা পুংফম ৪ অসিবুনা *তানাথোং মমুং* কৌই ॥ হুংথিল চৎপা পুংফম ৪ অসিবুনা *লেম্নাথোং মফম* হায়না কৌই ॥

(ii) *পুংলোনগী কাংলোন*

পুং অমমম চৎপগী কাংলোন, পুং ৮ হুবদা য়ুথক চৎপগী কাংলোন, পুং য়ৈবগী মরোল পুম্নমক য়াম্না কুপ্না লৈরি ॥ তানয়ৈরোন্দা মচা খায়না ইরি ॥

তানয়ৈসংদা মবুথৌ য়াংদোবা মবেনথৌ য়াংদৌবী ২ অসি লাৎতুনা থম্মী ॥ মবুথৌ মবেনথৌ ২ গী মরক্তা কাংখিল ৮ পরেং মথাইদা হুংলগা লেংসিন্দুনা থম্মী ॥ কাংখিল ৮ অসি মরক হোইন্দুনা মফম ৮ থোক্না থম্মী ॥ পুংলুপ তেংকোৎনা ঐসিংদা হেক লুপ্লগা পুংলুপ ১ কৌরে, পুংলুপ অমমত্তু অসম্বা লোলদা পুং ১ হায়না কৌরে ॥ অসিগুম্বা পুংলুপ ১ হেক মপুং কাবগা মবেনথৌ য়াংদৌবীগী মায়কৈরোমদা মবুথৌ য়াংদোবনা কাংখিলগী কা অমা কানসিল্লি ॥ অমুক্না কাংখিল ৮ অহুগী কা ৮ অহু মবুথৌনা হেক কানসিবা। লোইহল্লনা মবেনথৌ লাইরেম্বাগা

উরবা মতমদা য়ুথক ১ মপুং কীরে ॥ কাংলোন অসিবু পুংলুপ-পুংচং-লোন হায়না থওনরে ॥

নোংমগী মন্নুংদা পুংকম ৪ দা পুংলোন নাইনা পুং রৈ ॥ নোংঙাম-পুংদা পুংলোন ১, যুমিং য়ুংবগী পুংলোন ১, য়াচং-পুংদা পুংলোন ১, নোংয়াই-পুংদা পুংলোন ১ — ৪ অসিবু পুংকম ৪ হায়না থওনরে ॥

পুংকম ৪ দা পুং রৈবগী মরোলদি কাংলোন নাইনা চংলি ॥ *নোংঙাম*-পুং রৈবগা *য়াচং*-পুং রৈবগা পুংলোন থারে ॥

পুংকম ২ মক্তা রৈবা তানবৈসংনা চংনবা পুংলোন্দি—"*দং—দা —দং—দা*" অহুমক রৈবগা "*দং—দং—দং—দং* হায়না লোইসিনগনি ॥ পুংলোন অসি কাথহুম্বা য়াদে। *নোংয়াই*-পুং রৈবা *যুমিং* য়ুংবা-পুং রৈবগী পুংলোনগা ২ অসমা মান্ননা রৈগনি ॥ পুংকম ২ মক্তা রৈগদবা তানবৈসংগী পুংলোন্দি—"*দং—দং*" "*দং—দং—*" হায়তুনা পুংলক থায়না ৩১ রক রৈবগা ৩২ রক সুবদা "*দং—দং—দং*" অসিনা লোইসিনগনি ॥

অসিগুম্বা পুংলুপ পাবা, পুংলোন রৈবা, য়ুথক চংপা, নিংথম কালেনগী ঈসিং কাংগল লোথোকপা হাপচিন্না পুন্নমক পুংজা থূদিংগী থোগল চংবা অসি অমুক অমুকী থৌরুপ্তা চুপা ৩/৩ কাহুনা পুংরৈ-টে ২ গা লোইননা থৌ চংলি ॥

কংলৈপাক্কী মতম পাবগী কাংলোন্দা হৌজিক চংনরিবা য়াম্না থুং-লোয়রবা, মরম পুন্নমক্তা কাংলোন নাইবা (সাইন্তিফিক ওইবা) মতম পাবগী কাংলোনসিগা মান্ননা নোংয়াই (মিদনাইৎ) মতুংদগী নোংমগী পুংলুপ পাবা হৌরক্লিবসি য়াম্না মিংথরে অমনি ॥ চুমথবা মমিং চাউনা লৈরিবা জিহুদিসিংগী মগা মপুগী মতম পানবা কাংলোন্দকাওবা অমুকী

পুং ৬ (হৌজিক চৎনরিবা) তাঁবদগী নোংমগী পুং মসীং থিবা হৌরম্লিবনি।। হৌরিম্লী. পুং.৩ মা. কংলৈনাবী য়ুথক ৯.সাতুনা নোংমবু সরুক ৮ থোরল থাম্রহুন। পুং ৬৪ থাম্রবগী মথক্তা য়াম্না খুৎলোম্নবা কাংলোমা অমা সিজিনবি রিবা অসিগু থোইদোক হেন্দোরা মসক থোক্লবা চাওখৎলোম থাদনি।।

(১৩)

লৈমরেন অমসুং সনামহিগী লাইসোল

চৈয়াউবা হুমিংকী লাইথোক্‌দা চাক য়েনসাং থোং থাকত্রিংৈশক্‌পা মৈ চংদবা পোৎলমসিং কৎলি ৷ অসুম্না থৌরম হোৌগৎপা অসিদা লাইনিংথৌ সনাহী, ইমা লৈমরেন সিদবী অমসুং ফুংগা অপোকপা লাইকম অহুম অসিদা মৈ চংদবা পোৎলমসিং অহু কৎকনি ইমুংগী য়ুম্লাইসিং থুরুম্লবদি ফুংগা অপোকপগী মৈরা অমা, থাউমৈ অমা অথেন পোংকা লোয়না কৎপা হায়বসিদি সনামহী লাইনিংদা থাইনচেংগী তৌম হকই ৷৷ পুম্না থুরুম্বগী হুমিং লাকপা অসিদা লৈমরেন সিদবীগী ঈসাইকু কয়াল মমাংদনা ইহান হাম্না থুরুম্বা হৌগনি ৷৷

(১) লৈমরেনগী লাইসোল

লৈমরেন সিদবীগী মিংথৈদি মসীং য়াম্মা, মপান নাইদে ৷ মতাং মতমগী মতুং ইন্না লাইসোল মায়দে ৷৷ চৈবাউবা হুমিত্তা সিজিন্নরিবা লৈমরেনগী লাইসোল অসিদি মীপুম থুদিংনা সে নজবা য়াবা অহুনি ৷ লাইসোল নজবা "মিংথৈ" অরুথসি অহুদি থৌরম তৌহনা থুংসিন্নরবদি মতিক মথাং কংবা ওমদে৷৷ লাইসোলদি কাজবগা অতুম সোনজবদা কবিমত্তা অকায়বা লৌতে ৷৷ সনামহী লাইনিং চৎলিবসিংগী থুদোং চাননবা লৈমরেনগী লাইসোল থুরুম্বা থুদিংদা পিজিন্নবা য়াবা অহু মথাদা হাংপাচরি ৷

লাইসোল

ঈমা লৈমবেন সিদবী
লৈমা থৈবিকা চৈচিংবী,
লুমাং সমজিন লাইকোইবী
ঈমা কৌনা কৌবদা হাউ ঙাযনা পাউথুবা
লুতুং সমজিন তাপুন লৈরিবী
শলেম হাযনা পাউহংবদা
হোং হায়না পাউথুক্লী,
লৈমুংবোন্দা অতিপ্পি লৈহৌরোন্দা য়াতাবী
ঈচিক খুনমা ওল্লিবী ইসা খুনমা তল্লিবী
কুবেপ লৈমা লুচাউবা নাকথ লৈমা পাউতোইবা,
শাবা সাদোং লপলেমকাদা মোংবা য়ুমদাং সাংলিবী
য়ুমজাও লৈমা পানথোইবী
নরাগী লৈমরেন নরেংগী পানথোকবা
নজোম্মা লোংথাংলৈমা লাংলেপ্লাওল্লিবা,
চৌংদা কানা খোংনাংথাবী ওমদা বুল্লা চোম্লাং লুবোইথেংপী,
পল্লা মপাল থাবিবী হায়া মউ লিংলিবী,
মুকফু পাখোংকরিবী খোংইচৈ লেংথোংনরিবা
থাবা চামা সিত্তাকপী অমাত চাংগী সিত্তবী ॥
ভাইবংশাম্বগী মমাবেন সিদবী,
অাইবং নচা ওইবা/ওম্বা শিংনা
খুবাং চাংজো তরা ঈতু কাইন লিসিংনা
বুমজা ভেকহৌনবা থাজা নৌহৈনবা খুনিংসিদা
হন্না হন্না খুরুমজবি থৌজাল মিৎয়েং তাবিয় ॥

(ii) সনামহীগী লাইসোল

লাইনিংথৌ সনামহীগী শিংলেনদি লিসিং লথানি ॥ খুপচিল্লগা শংলেন ১৮০ থোক্লি, অমুকা খুপচিল্লগা মিংলেন ১৮ থোক্লি ॥ সনামহীগী শংলেন ১৮ দগী অমুকা খুপচিল্লুনা মিংকম ৮ থক থোক্লি ॥

৭ অতুদগী অমুক্তা স্নপ্লগা ৫ থোক্লি, ৫ মা স্নপচিন্দুনা ৩ খজুমক থোক্লি, অমস্থ য়াম্মল্লি হায়স্কুমা ২ জুমক থোক্লি, ২ অস্থুম য়াম্মল্লে হায়স্কুমা ১ খজুতমক থোক্লি। তন্মুম্না সনামহীগী মিংথে মপাল নাইদে। চৈয়াউবা হুমিত্তা সোল্লিবা সনামহীগী লাইসোল অসিদি মীপুম খুদিংমা সোনজবা য়াবনি, থৌরম তৌহুনা লৌগদবা "মিংথে— মিং + অথেবা" কয়া অছু অস্তে। লাইনিংথৌবু খুরুমজনিংবা ঃ মতম অতৈদস্থ সোনজবা য়াবা লাইসোলহুনি ॥

(ক) লাইসোল অসাংবা

লাইনিংথৌ ইবুংঙো সনথোং অপাম্বা
সনথোঙ পুঙমৈ লেপ্পা অরাং পুঙগা থৌবা
য়াইবী য়েলহৌষৈ অমম লৈস্যা হান্নকপা
য়াইবী অোংথি হুমওইবা
থেয়ে মুংনাং তঙ্গুপহৌ
পোতিংউ নোংথাং তমুংলেন
তরং লাইজা ঈপোকপা,
মুংকাং হালাবা য়াইবী মুংঙৌ পীমাবা
চিংঙু কোইরৌ অয়েংবা য়াংবানিংথৌ পানচুম্বা
হুপলা মপান থাগী হায়া মউ লিংথিরকপা
পরিং লাংসঙ হুন্নকপা,
উকা মাইথোঙ য়াম্না মালেম লৈসেম্নকপাম
কোইরৌ নোংহৌরকপা লাইনিংথৌ ঈবুংঙো.
চিংঙু য়াবা নথোনজেন অহাঘদা
লাংবল থোইমু থোনদাম্নবনা
থোনজেল উং মরেক থোয়া
নপোক থোইমা য়ান্নকপা

চিংঙু য়াম্বা নখোনজেলনা
নমু পোং থেময়কপা লাইনিংথৌ ॥
খারম চোত্তে লুবাক্কুংদা শীংয়েল লৈসংনা হেনওইনরকপ'
তুবী নচী নামদা মনা লোওথুম পনচন হকপা
তুবী নচী পাংমদা লুপা লোওথুম পনচন হকপা
নতু তুরক খুদিংদা সনানা কোংগোল থিম্বা
লুপানা হাজং য়ৈবা
নমিৎ চামা পাম্বা ননা চামা পাম্বা
তাদবা খওদবা লৈতবা
তুবী য়েকম্ন য়েকমাওদা লাইবেন য়েকস্থ য়েকসোয়দবা ॥
তুবী নমৈ মৈত্তেম্না কোইরৌথক্তা চুমথাং থাম্লিবা
তুবী চীয়েন পাংমনা লৈখারোন্দা চাক্কারিবা
তুবী চীয়েন পাংমনা য়ুমথোঙ খুঙিং চাক্কাবিবা
চীংঙু নংগী নয়োক্সা ওাক্ত নি ॥
অচং থোঙবু হাংলিবা অসি-থোঙবু থিংলিবা
সনথোঙ কাজাউ য়ারিব। লাইনিংথৌ,
তাইবং ননাই ওইবসিংনা
কুমজা তেকহৌনবা থাজা নৌহৌনবা মুমিৎসদ্দ
হিংনা চাবা মরম ১০০ সত্তুনা
চহি অসিমগী অহাম্বা সংলৌ মথেল কৎচরি
মেক্রুক মৈরা হৌজরি ॥
কুমসিগী লোইমোম কৌপাল চাউবা
অরেৎ সেলথাউ চোম্বা কাওরেন সনগোন থম্বা
পুনসি হুংসাংবা পুনসিরোন পিনবিয়ু
সিদয়াই মপান থাবিয়ু নাদয়াই মউ লিংবিয়ু ॥
হকথি সোইনাই কক্লক য়েংথি কক্ত হৌথি পুন্নকপু

পাম্বা কৈরেন মপী মচানা ময়া ফাক্সা ঙাইবিবা
হাঙরৈখা পাংবা লংদা হোইথবিরম্মু,
লাইনিংপৌদি কম্বগীস্রুমকম্ভোক্কে কন্দুম কম্ভোকপিম্মু
ঙাকপগীস্রু মঙাকথোক্লে ঙাক্নুন ঙাকথোকপিরম্মু।
তাইবংচা ননাই ওইবনা থুবাক চা জৌ তর না।
চেপ্পা লোম্না তাইনা খুরুমজরি॥

লাইনি থৌ সনামহীগী লাইসোল অসি য়াম্না তেন্না সুপাচন্না সে মনবস্ত্র লৈরি॥ ফাবদা খু ঙাইবা কাইগন্দবা সনামহীগী লাইসে ল থৌনিরোলদি মখাদা পিজরি॥

(খ) লাইসোল থৌনিরোল অতেম্না

সনথোং অপাম্বা লাইনিংথৌ
নচবু মৈগী মতু ওইবা
সনা অহি বগী মচুনা ফুদোংবা
নমদি লাখা ১৮ লৈবদগী ১৮০ থোম্না
কুংপাকথক্তা চেংথবকপদা নমিং ১৬৮ ফবা
অতুস্ত্র যাম্মল্লে হাযগনা নমিং ৭ থোম্না
৭ থোম্বগী ১ লৌথোক্লুনা ৫ থোম্বা
মমিং ৫ দগী য়াম্মল্লে হায়হুনা
২ লৌথোক্লুনা ৩ থোম্বা
মমিং ৩ বুস্ত যাম্মল্লে হাংবগী
১ লৌথোক্লুনা ২ থোম্বা
নমিং ২ স্রু য়াম্মল্লে হায়বগী
১ লৌথোক্লুনা ১ তা থোম্বা
নমিংলেন অথোইবদি "হুং" কৌবা হে লাইনিংথে
কুমজা তেকহৌনবা থাজা নৌতৌনবা মনিংসিদা
তাইবংচা ননাই ওইবনা থুবাং ১০ না
চেপ্পা লোম্না তাইনা পুনেমজরি॥

(iii) সনামহীগী মিংশৈ' তরাবিপাল

লাইনিংথৌবু লাইসোল থোনিরোল সৈথাঙ্কনা খুরুমজবগা লোয়ননা মিংশৈ ওইনা সোনজববুন্থু পামজবসিংগীদি মিংশৈ অস্থুপা তরানিপালবু শীংথাগনি ॥

মিংশৈ

হে ঈপুং নিংথিবা মপু
ঈবুংঙোগী থৌরম্মা তাইবংপান্বা ওইরিবা
তরংথক্পা পল ওইবা সনজৗংনা নাউকেংশ্ব'.
লাইনিংথৌগী মিংশৈ—
হুং ক্পচি কা লাইলোংবা
খেলুক হুং হে
সম্থোং পুংমৈ লেমপা রাকোনলাং
ছুমিং হুং লংচি
মিরেন ঙাংলুপতোন
তোকপা সাওইবা হুং ছুং লাইওইবা
পি মলিক অপকপা
রাংপী লমলেন সিদবা
থম্মুং পীবা রাকোল্লাং চীংঙৌ
সনা নমলেং
পুংতালিক
হুং ঙা মি মি
থৌরাইরেন সিদবা
মিরেন হঙ্বা সিদবা
তরং রাই মরূ সিদবা
আ উম সেং পিসিন খোম্বা

তরুংলেন ঈপুং লোইনবা অপকপা
পোকলেন পোকপা স্যাংলেন সাংপা
অসুম্মা কৌইদো ঈবুংঙো ॥
কুমজা তেকহৌনবা থাজা নৌহোনবা চুমিংংনিলা
তাইবংচা ননাই ওইবা খুবাংচাংজো ১০ না
চেথা লোন্না তাইনা পুমেনজরি ॥




উনম অমসুং সক্তম্না তাকপা লাতম

(i) লাইনিংথৌগী রায় অচৌবা অমা ৱাংগদবা উতংগী ফম্বাল মওং অমসুং লাইরুবাক খিম্বা থাখন (থকখন) তিংবগী অচম্বা কাংলোন অমু (ii) শুবগী উনম অসিনা মওং তাক্লি ।। মায়ওলদি অৱাং নত্রগা অৱাং-চিংথৈ ওম্বগী মওং লাকসিন্দুনা য়েংবিয়ু ।।


(ii) লৈমরেনগী ঈসাইফু খিল্লিবা ফম্বাল অমসুং ফম্বাল মথাগী লৈথোল, ফনেক ইন্নফি সিজিন্নবগী অচম্বা মওং তাকপা উনম অমা লাইনিংথৌগী ফম্বালদগী সেল্লেননা থরা চম্থরগা য়েক্লিবা অসিনা উৎ'ল। মায়ওলদি মথা পাংনা ওম্বগী মওং পূক্লিংনা লাকসিম্বিরগা য়েংবিয়ু ।। অনিমক অসি উতংনা সাবা ফম্বালগী উনম ঙাক্তনি ।।

লাইনিংথৌ লৈমরেনগী ফম্বাল




(iii) লাইনিংথৌগী কম্বাল মখাংদা অথেনপোং কংতুনা লাংথরৈনা লৈতুল ওম্বদা থাবা লৈহুল মরোন অহু অমুক হন্না উনমদা উৎতুনা চংপচরি ॥ লৈতল কাংলোন্দি লাইরিক মনুংগী লাতম সিংদা য়াওথ্রে ॥

লাইনিংথৌগী লৈহুল সক্রম



(iv) লাইনিংথৌগী লৈতল অতুনা লাইরুবাক মনুংদা হনজিন্দুনা লাইনিংথৌ তেসিম্বগী তমগদবা লৈতুল মওং অহু মখাগী উনম অসিনা উৎলি ॥ কাংলোন্দি লাইরিক অসিগী মসাদা য়াওথ্রে ।,

লাইকুবাক্কা তেসিরগী লৈচুল



(V) লাইনিংথৌ লৈমরেনগী লাইসোল থৌনিবোল মি,থৈন'চ বা সোল্লমদাইদা নাতোনগী নিংসা অসি যেক্তা লৈবিরৈদা ভৌগদবনি ॥ ফি অমগী অম্বল্পা থৌবম ওইবনা নিংসাগী ফিথুপ যাম্না মুন্না যেংদবনি। ওইদা নিংসা মবম লৈবিরৈদা লাইসোল থৌনি ভোবা পাদে ॥ মগ অচুনা ওইদা লৈবিবা নিংসা মবম্ব যেক্তা মিৎকুপ খবদংগী মম্ভুদা লৈ- হনগে হায়দবদি নি সা-কাংলোনগী সাজেল চনা। ভৈক্তাক্তং সাম্নগনি নিংসা য়েক্তা লৈহন্নবা নিংসা কাংলোনগী ফিথুপ অচ্চ মখাগী সক্তম অসিদা য়েংবিযু ॥

কাংলোন্ :—(ক) য ঙ তিংনা খোঙ যেং থেকচিল্লগা ফমপ্রেংনা লৈপাক ভানা ফমথগনি ॥ (স) য়েংকী লোংথোক্লা তাবিবা খুদোল অচুগী মপা লাক্লা ওইগী খোঙনা খু যুম সানা চুমদ্রিং থেকচিন্দুনা ভইগী খুদোলগী সকক্লা য়েংকী খুদোলগী সককপু নেংসিনগনি ॥ (ল) ওইগী সেপ্রাক মহ্ম অচুদা খোঙ ওইগী খুকউ কাংনা তপ নপসিন্না সিংলৌ ল জাউনন্না নর্মসিন- গনি ॥ (ম) খুং ওইগী খুৎসাসিং অচুনা খোঙগী খুদোলাসং অচু ফাজিন্দুনা অমুক্ হেন্না নপসিন্নরনগনি ॥ (প) অচুগা য়াঙ তিংনা কোক তিংনা মিৎযে

নিংসা য়েংলম হোংহল্লবা ফিথুপ



(ফিথুপ্তা ফল্লিবা—য়ুমখাইবমচা সুরাংথম্বা)

চুমদ্রিং য়েংলগা থুং য়েংকী খুংনিংথৌনা নাতোন ওইগী মথুল মেসিল্লগা খুবানা যেংকী নাতোন মথুলদা থজিক্তুং থেংনা থম্লগা য়েত্তা নিংসা হোন্দে'ক হোনজিল ঙৈহাক সাম্লগনি ॥

কাংলোন অসি তত্তনা সাম্লব্লবদি নিংসা থৈদোক থৈজিন অসি মিংদা। কুপ্পদা ওম্লকনি ॥ লাইনিং লম্বী তাল্লিবা লাইনিংলোয়সিংনা নিংসা-কাংলোন খঙদবা য়াদে হায়রিবসি অসিগুম্বা মরম কয়া লৈবননি ॥ চৈরাউবগী লাইথৌদি অরাংবা লাইনিং লম্বী কয়া য়াওরিবনি ॥ মুমিৎচুপ্পা পুক্নিং লাকসিল্লিবহু লাইনিং খুভম তাল্লকপগী অহাম্বা খোঙথাংনি ॥ সংলো

মথেৎলসিংনা লাইনিং লম্বী তাৱদা চ'বা চিনজাক কা লোন তাকপনি। লম্ম'বা তুমাবা-লমসেঙ্গা তুসেঙ্গা লাৎলিবসিনা মফম্ (Spce পু) নি সি'বনি॥ কুম সনা কুমিল্লাই লাৎথোক্লিবসিনা মতম্ (Time বু) নিংসি বনি॥ ১ফম অমসুং মতম (Time and Space) হ্ ষবমিদি তেংবাঙ্গা হৌবকপগী রাম্নীগা তংনা থানবা য়াত্রবা চিংউবোনগী (Philosophy গী) চাউববা লাতম অমনি॥ অরাংবা চীং কাবনা ভাইবংপাম্বা খাওবকচৈগী ঈসিং তবং ওইরিকৈদা চীংদোল নাপোমসিংনা হান্না ঈমাষদগী ফাওগৎলকপবু নিংসিংতনা মহৌসা লাইরেম্বীগী মিৎ থল্লবা সক্তম্ পুরিং ইত্তল পোল্লম্নবা যেংলিবনি। পন্নমক অসি লাইনিং লম্বীগী মথৌ সঙলিবা ডারি॥ হাক্টোবকপদসু নিংসা = কাংলোন চংই॥

হা-হু, হৈ-হে-হিং॥

—লোইরে—

